www.sanaleibak.in

SANALEIBAK

সনালৈবাক

PROGRESSIVE JOURNALISM

24 Carat/g : ₹ 14,928 | 22 Carat/g : ₹ 13,925 | 1 Kg Silver : ₹ 2,26,432 | 10 Gram Silver : ₹ 2,350 | WEATHER: Sunny | Temperature 28/18°C | Sunrise: 05:04 AM Sunset : 05:08 PM | Petrol : ₹ 106.87 Diesel : ₹ 92.57 | GAS TODAY Nill | sanaleibakdaily

Volume No: 50 Issue: 292 | IMPHAL, SATURDAY, OCTOBER 03, 2026 | মালিয়াফম পালচা কুমশীং ৩৪২৪-২৫ | থাংজ, লাংবনগী ২২ নি পানবা | RNI Regd. No. 31350/77 | PAGE : 8 | Price: ₹ 5.50

## ৱাখলগী চিঞ্জাক

মরুপ মখল অহুম লৈ, মরম অমগী মরুপ, মতম মতমগী মরুপ, পুন্সি চুপ্পগী মরুপ

## পুবা থাংবা ঙল্লোইদবা থৌওংশিং চথবীগনু

ইম্ফাল, ওক্তোবর ০২ (এস এন এস)ঃ মীয়ামগী অনা লায়েংদা অঙন্বা মতেং পাংদুনা চপ চাবা থৌদাং লৌদুনা লাক্লিবা এসিয়ান হোস্পিটালগী মথক্তা পুবা থাংবা ঙল্লোইদবা থৌওংশিং চথবীগনু হায়না এসিয়ান হোস্পিটাল এন্দ রিছার্স ইন্সটিট্যুটকী মেনেজমেন্ট টিম অমদি ষ্টাফশিংগী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি। ...মখা লমায় ৫দা...

## রিমসতা আউটসাইদর চঙবা থীংলে

ইম্ফাল, ওক্তোবর ০২ (এস এন এস)ঃ রিজনেল ইন্সটিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেস (রিমস) কেম্পসতা জোগিং তৌদুনা লৈবা বি দি এস মহৈরোই অমদা শকখঙদবশিংনা এটেক্ট চথরল্লে। মসিনা মরম ওইরগা নুমিদাংৱাইরম পুং ৫.০০ তাবদগী মপান্দগী মী চঙবা থীংলগনি হায়না হোস্পিটাল অসিগী মেদিয়া সেলনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।
...মখা লমায় ৫দা...

## শেলগী মতেং পাংখ্রে

ইম্ফাল, ওক্তোবর ০২ (এস এন এস)ঃ তাবদা অঙকপা অমদি নুং ঙাইতবা থৌদোক অমদা ঙরাং অয়ুক পুং ৭ রোম তাবদা শগোলবন্দ থাংজম লৈরক, এস এস এ এন ক্লব ময়াদা লৈবা যুম অমগী গেটতা মনা মশিং য়োনবী অমদগী মশক খঙদবা মীওই অমনা শেল লাক্লুগা চেনখ্রে হায়বা ভিদিও অমা ভাইরেল ওইরকপদগী ঙসি অয়ুক লাইক মাইন্দেদ গ্রুপ ...মখা লমায় ৫দা...

## পাৱর লুমগী ৱাফম পুশিল্লকপা লাইবক থিবনি

ইম্ফাল, ওক্তোবর ০২, (এস এন এস)ঃ লমদম অসিগী হেন্দলুম অমদি হেন্দিক্রাফ্ট য়োকখৎনবা হোৎনরিঙৈদা পাৱর লুমগী ৱাফম পুশিল্লকপা লাইবক থিবনি হায়না হেন্দলুম প্রমোসন কাউন্সিলগী প্রসিদেন্ট চীংতম লুৱাংনা ফোঙদোরক্লি।

মণিপুর প্রেস ক্লবতা ঙসি পাউমীশিংগা ...মখা লমায় ৫দা...

## লোইরেদনা

কুইশিল্লক্রে, কনানা তৌগদৌ মানগেনে



খ্বাইদগী মচিন থীবা, ইকায় খঙদবা শেন চাবা ঙন্বা মীদু অদুম কাবা হৌনশানিদনা

## হেক্তা হায়জিনবা

### ফোর্মুলা

ফোর্মুলা অমা লৈ
লৈঙাক্লা হোংদনা শিজিন্নবা
হোংবা শুক্লাই নাইদনা
ফোর্মুলা অমা লৈ
মীহাৎ মীপুন থোক্লবা
বোম তোপ কাপশিল্লক্তুনা
পাঙদবৈ থৌওংনি হায়গনি
চেন্নবা চৈরাক পীগনি হায়গনি
এন আই এদা শিন্নরনি লাওথোক্কনি
এক্সগ্রেসিয়া পীরনি লাওথোক্কনি
মথং মথং চথরক্কনি
মতম কক্তবা কর্ফ্যু লাওথোকপা
ইন্টরনেট থিংজিনবা
পেন্দবা ফোঙদোকপশিং ফুথবা
টিয়ার গ্যাস কাপশিনবা
নোংমৈ ফাওবা কাপশিনবা
হোংবা শুকনাই নাইদ্রবা
লৈঙাক্লা হোংদনা শীজিন্নবা
ফোর্মুলা অমা লৈ

---

### মহাত্মা গান্ধীগী মীতমদা লৈ কৎতুনা নেসনেল ক্লিনলিনেস দেগী থৌরম পাঙথোকখ্রে

# তিঞ্জং কায়জংদবা মণিপুর শাগৎপদা কাংলুপ ফুরুপ খুদিংমক্কী থৌদাং চঙইঃ গভর্ণর

**লু-নাননা লৈনবা হোৎনবদা ঐখোয় ইশাগী থৌদাং খঙবা মথৌ তাইঃ সি এম**



ইম্ফাল, ওক্তোবর ০২ (এস এন এস)ঃ ফাদর ওফ দি নেসন হায়নসু খঙনরিবা মহাত্মা গান্ধীগী মপোক নুমিৎকা ইরোইননা মণিপুরগী গভর্ণর অমদি চীফ মিনিষ্টরনা লুচিংদুনা ইম্ফালগী গান্ধী মেমোরিয়েল হোলদা লৈবা মহাত্মা গান্ধীগী মীতমদা হৈকৎ লৈকৎ তমদুনা নেসনেল ক্লিনলিনেস দেগী থৌরম পাঙথোকখ্রে।

তিঞ্জং কায়জংদবা মণিপুর শাগৎনবা হোৎনবদা লমদম অসিদা খুন্দামিন্নরিবা কাংলুপ ফুরুপ খুদিংমক্কী থৌদাং চঙই হায়না মণিপুরগী গভর্ণর অজয় কুমার ভল্লানা ফোঙদোকখ্রে।

লৈঙাক্লা শীন্দুনা ইম্ফালগী জি এম হোলদা ঙসি পাঙথোকখিবা নেসনেল ক্লিনলিনেস দে (স্বাছ ভারত দিৱাস)কী থৌরমদা অথোইবা মীথুং লেনগী ৱারোল থল্লদুনা গভর্ণর অজয় কুমার ভল্লানা হায়, মহাত্মা গান্ধীগী নন-ভাইওলেন্স অমদি অচুম্বা হায়বা ৱাখল্লোন অসিদা য়ুম্ফম ওইরগা মণিপুরবু লু-নানবা মফম অমা ওইহন্নবা ঐখোয় পূন্নমক্কা থৌদাং লৌবা মথৌ তাই। মহাত্মা গান্ধীনা ক্লিনলিনেস হায়বগী ৱাখল্লোন অমা থল্লল্লিবা অসি চুম্নখক্কী লম-তু অমদি হকচাং লু-নানবা অদু নত্তে। মহাক্লা থল্লম্বা ৱাখল্লোন অদুগী নুংগী ওইবা ৱাহন্থোকশিং অদু খঙনা খুন্নাই অসিবু মাঙ লোমদা পুখৎনবা হোৎনবদা ঐখোয় পূন্নমক্কা ইশাগী লৌফম থোকপা থৌদাং অদু নীংশিংমিন্নবগী তঙাইফদবা লৈ। হৌখিবা চহী খরাগী মনুংদা স্বাছ ভারত মিসনগী মখাদা মণিপুরদসু অওনবা অহোংবা কয়া লাকপা থেংনরি। লমদম অসিদা লৈরিবা লৈকাই অমদি খুঙ্গংশিং য়াওনা মীয়াম তিনবা মফমশিং লু-নাননা লৈহন্নবা হোৎনবদা হিং মিন্নরিবা কংলুপ ফুরুপ খুদিংমক্কী অপূনবগী ওইবা থৌদাং চঙই হায়খি।

থৌরম মপুগী ৱারোল থল্লদুনা চীফ মিনিষ্টর য়ুম্নাম খেমচান্দনা হায়, লু-নাননা লৈনবা হোৎনবদা ঐখোয় পূন্নমক্কা ইশাগী লৌফম থোকপা থৌদাং অদু খঙবা মথৌ তাই। নীংখা তন্বা ইন্দিয়া অমা ওইনবা হোৎনবদা মহাত্মা গান্ধীনা লৌখিবা থৌদাং অদুবু শীংথাদুনা ...মখা লমায় ৫দা...

### কোংগ্রেসনা শীন্দুনা গান্ধী জয়ন্তিগী থৌরম পাঙথোকখ্রে

# বি জে পি লৈরিবা মখৈদি মণিপুরদা ইং-তপ্পা পুরক্কদবা মান্দেঃ ও ইবোবী

ইম্ফাল, ওক্তোবর ০২ (এস এন এস)ঃ লৈবাক অসিদা বি জে পি লৈরিখৈদি লমদম অসিদা ইং তপ্পা পুরকপা ঙমগদবা মান্দে হায়না মণিপুর প্রদেশ কোংগ্রেস কম্মিটিগী প্রসিদেন্ট ওক্রম ইবোবীনা ফোঙদোকখ্রে।



মণিপুর প্রদেশ কোংগ্রেস কম্মিটি (এম পি সি সি) না শীন্দুনা ইম্ফালগী কোংগ্রেস ভাবনদা পাঙথোকখিবা মহাত্মা গান্ধীগী ১৫৭ শুবা মপোক কুমওন নুমিৎ অমদি ইন্দিয়াগী ২শুবা প্রাইম মিনিষ্টর লাল বহাদুর শাস্ত্রিগী ১২২শুবা মপোক নুমিৎ থৌরমদা এম পি সি সিগী প্রসিদেন্ট ওক্রম ইবোবীনা মখা তানা হায়, মালেমগী মফম কয়াদা হাৎন-শুনবা য়াওনা খুৎ থোক্লবগী থৌদোক কয়া থোক্লিবা অসিদা মহাত্মা গান্ধীনা হৌদোক্লম্বা নন-ভাইওলেন্সকী ৱাখল্লোন পুশিনবগী তঙাইফদবা লাক্লি।

মতম শাংনা ইন্দিয়াবু বৃটিশনা খুদুম চন্দুনা লৈরম্বা মতমদা মখোয়বু তান্থোক্লবা হোৎনবদা শীজিন্নখিবা নন ভাইওলেন্সকী খূৎলায় হৌজিক্তি লমদম কয়াদা তঙদু লৈতাদবা লৈরিবা অসিদা য়াম্না মরু ওইরে। হৌজিক্তি নন-ভাইওলেন্স নত্তনা ইং তপ্পা পুরকপা ঙল্লোই হায়বসি চুম্লক্লবনি। মহাত্মা গান্ধীগী মীতমদা লৈ-শু কৎপা খক্তনা য়ারোই, মহাক্লা চৎলম্বা লীক্লম, আইদিওলোজি অমদি প্রিন্সিপলশিং খূৎলায় ওইনা শীজিন্নদুনা তঙদু লৈতাদনা লৈরিবা অসি ইং তপ্পা পুরক্লবা হোৎনবা চঙই হায়খি।

অমরোমদা, ঙসিদগী হৌরগা চয়োল অমা চুপ্পা তোঙান-তোঙানবা থৌরম কয়া চথরগনি হায়না ওক্রম ইবোবীনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

ঙসি মহাত্মা গান্ধীগী মপোক নুমিৎ অসিদগী হৌদুনা চথগদবা থৌরমশিং অদু ইন্দিয়ন নেসনেল কোংগ্রেসনা লুচিংদুনা ইন্দিয়া ব্লোক্কী ওইনা পাঙথোক্কদবনি হায়খি।

ঙসিগী থৌরম অদুদা সি দব্লিয়ু সি মেম্বর গাইখাঙম, সি এল পি লিদর মেঘাচন্দ্র, এম পি ডাঃ অঙোমচা বিমোল অকোইজম, সেনিয়র এম এল এশিং কে রঞ্জিৎ, হান্নগী স্পিকর লোকেশ্বর য়াওনা মকোক থোংবা পার্টিগী মেম্বরশিং শরুক য়াখি।

ওল ইন্দিয়া মহিলা কোংগ্রেসকী প্রসিদেন্ট অলকা লম্বাসু থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবগা লোয়ননা মণিপুরদা তঙদু লৈতাবা ...মখা লমায় ৫দা...

# আই দি পিশিংগী ফংফম থোকপা হক্তা বি জে পিনা থীকা তৌরগা, কনট্রেক্ট লৌরগা লৈরেঃ মেঘচন্দ্র



ইম্ফাল, ওক্তোবর ০২ (এস এন এস)ঃ মণিপুরগী ইরাংনা মরম ওইরগা লাঞ্জেন্নরবা আই দি পিশিংগীদমক্তা সেন্টরনা থাদরক্লবা শেন্থং ফাওবা পীথোক্তনা বি জে পি লৈঙাক অসিগী ফম্নাইবশিংনা থীকা তৌরগা, কনট্রেক্ট লৌরগা লৈরে। মসিনা মরম ওইরগা ইরাং লোইশিনবা লৈঙাক অসিনা পামদবনি হায়না কোংগ্রেস লেজিসলেচর পার্টি (সি এল পি) লিদর কে মেঘচন্দ্রনা মরাল শীখ্রে।

মণিপুর প্রদেশ কোংগ্রেস কম্মিটি (এম পি সি সি)গী সেদ্যুল কাষ্ট (এস সি) দিপার্টমেন্টনা শীন্দুনা মহাত্মা গান্ধীগী মপোক কুমওনগা মরী লৈননা ঙসি সেকমাই বজারদা পাঙথোকখিবা শীৎ-শেংবগী থৌরমদা ঐখোয়গী পাউমীনা হংবা ৱাহংগী পাউখুম পীরদুনা মহাক্লা মখা তানা হায়, কুমজা ২০২৩গী মে ৩দগী হৌরগা মণিপুরদা থোক্লক্লিবা ইরাং অসিনা ...মখা লমায় ৫দা...

# মণিপুরগী ওইরিবা ফিভমসিদা সঙাই ফেষ্টিভেল পাঙথোকফম থোক্তেঃ ময়োল

ইম্ফাল, ওক্তোবর ০২ (এস এন এস)ঃ হৌজিক ওইরিবা মণিপুরগী ফিভম অসিদা সঙাই ফেষ্টিভেল পাঙথোকপা হায়বসি মরম চাদে, ফেষ্টিভেল পাঙথোকফম শুংথোক থোক্তে হায়না মণিপুর য়ুথ লীগ (ময়োল)না অকনবা ৱাফম থল্লক্লি।

ময়োলগী পব্লিসিটি সেক্রেটরী কোঞ্জেংবম সমানন্দনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, কুমজা ২০২৩গী মে ৩দা চিন-কুকি নার্কো টেরোরিষ্টশিংনা মৈতৈশিংগী মথক্তা অতন্নবা চথরকখিবা লান অসি চহী ৪ শুরবা ফাওবদা ৱারোইশিন পুরকপা ঙমদনা লৈরিঙৈ চৈরক্তা লমদম অসিদা তঙদু লৈতাবা হঞ্জিনহন্নবা হোৎনবগী মহুৎতা লাক্লিবা ২০২৭দা পাঙথোক্কদৌরিবা ১৩রক শুবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লি ইলেক্সন অসিগী ভোট খোমদুনা লৈরিবা লুচিংবশিং অসি উবদা অঙকপা ফাওই। ঐখোয় হৌজিক করি ফীভমদা লৈরি অমদি ঐখোয় করি তৌসিগে হায়না খন্নদুনা লৈগদবগী মহুৎতা ঐগী-ঐগী মী মাই পাক্লবা হোৎনদুনা লৈরিবা অসি উবদা, মণিপুরগী তুং লমচৎতি খনবদা নুংনাংবা পোকই। ...মখা লমায় ৫দা...

# আই আই এস ২ এক্সিদেন্টদা লৈখিদ্রে মায়কৈ কয়াদগী অৱাবা ফোঙদোরক্লি





ইম্ফাল, ওক্তোবর ০২ (এস এন এস)ঃ থা অসিগী ১দা মেজোরামগী সাতেক খুল মনাক্তা থোকখিবা লম্বীগী এক্সিদেন্ট অমদা মণিপুর মচা ইন্দিয়ান ইনফোর্মেসন সার্ভিস (আই আই এস) সেনিয়র ওফিসার ২ লৈখিদ্রে। মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টর খেমচান্দ য়াওনা মায়কৈ কয়াদগী অৱাবা ফোঙদোরক্লি।

আইজোলদগী খা রোমদা কিলোমিটর ৩০ রোম চৎলগা লৈবা সাতেক খুল ...মখা লমায় ৫দা...

# নাপেৎ পল্লিদগী মোইরাংপুরেল তাবা লম্বী থীংজিনখ্রে, খোঙজং চঙশিনখ্রে

ইম্ফাল,ওক্তোবর ০২ (এস এন এস)ঃ ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী নাপেৎ পল্লিদগী মোইরাংপুরেল তাখিবা লম্বী অমদি হৈরোক্কী লম্বীশিং শেন্বা হৌরল্লগা থা ৫গী মমাংদগী থবক শুবা লেপখিববু য়ানিংদবা ফোঙদোক্লদুনা লম্বী পরিং অসিদা লৈরিবা খুল খূদীংমক্কী মৈরা পায়বীশিংনা লম্বী থিংদুনা অকনবা খোঙজং চঙশিনখ্রে।

চহী অসিগী সেপ্টেম্বর ২৫দা ওকসু নিংথেমচা খুলদা মৈরা পায়বীশিংগী অপূনবা মীফম পাঙথোক্তুনা থা অসিগী ১গী নুমিদাংৱাইরম পুং ৫দগী ওক্তোবর ২গী নুমিদাংৱাইরম পুং ৫ ফাওবা লম্বী থিংবগী খোঙজং চঙশিনবা হায়না লৌখিবা ৱারেপকী মতুং ইন্না খোঙজং চঙশিনখিবনি। মোইরাংপুরেল ফুরামখোঙদা খোঙজং চঙশিল্লম্বশিংগী মরক্তগী খোঙজং অদুগা মরী লৈননা লম্বী শেন্বা লেপখিবগী মায়োক্তা শেমখিবা জোইন্ট ...মখা লমায় ৫দা...

# মণিপুরদা থোক্লিবসি কাঙলুপকী ইরাংনি হায়খিবা য়ানিংদেঃ কম্মিটি



ইম্ফাল,ওক্তোবর ০২ (এস এন এস)ঃ মণিপুর অসি ইন্দিয়াগী ষ্টেট অমা নত্তবগুম কুকি মিলিটেন্টশিংনা নুপী অঙাং ফাওবা ফোংনা মীহাৎ মীপুন চথরিবা অসিবু কাঙলূপকী ইরাংনি হায়না অৱাং নোংপোক্কী মীওই অমসু ওইরিবা য়ুনিয়ন মিনিষ্টর কিরন রিজিজুনা হন্দক দিল্লিদা পাঙথোকখিবা দ কনক্লেব ২০২৬ হৌদোকপগী ৱারোলদা ফোঙদোকখিববু কোরেস্পোন্দিং কম্মিটি ওফ ১৪ সি এস ও কংলৈপাকনা য়ানিংদবা ফোঙদোরক্লি।

ঙসি খুয়াথোংদা লৈবা কে এস এগী ওফিস্তা পাঙথোকপা পাউগী মীফম অমদা ১৪ সি এস ও কংলৈপাক্কী কনভেনর শান্ত নহাকপন্না হায়, কুমজা ২০২৩গী মে ৩দগী থোক্লকখিবা ইরাং অসি ঙসি চহী ৪ চঙশিল্লক্লবা অসি ফাওবদা লোইশিন্নবা ...মখা লমায় ৫দা...

# মণিপুরী পোনিদা নারক্লিবা ত্রাইপানোসোমা ইভান্সি (সুরা) লায়না ওইরম্লে, এক্সপার্ট কৌখ্রে

ইম্ফাল, ওক্তোবর ০২ (এস এন এস)ঃ হন্দক ককচিং দিষ্ট্রিক্টকী হিয়াংলম অমসুং ৱাবগাইদা মণিপুরী পোনিশিংদা নারক্লিবা লায়নাশিং টেষ্ট তৌদুনা য়েংবদা ত্রাইপানোসোমা ইভান্সি (সুরা) লায়না ওইরম্লে। লায়না অসিগী লায়েংনবা এক্সপার্ট টিম অমা মণিপুরদা কৌখ্রে হায়না মণিপুর লৈঙাক্কী ভেটিরিনরি অমসুং এনিমেল হজবেন্দরি সার্ভিসকী মায়কৈদগী থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অদুনা হায়, ককচিং দিষ্ট্রিক্টকী হিয়াংলম অমসুং ৱাবগাইদা মণিপুরী পোনিশিং নারকপগী পাউ লাকপদগী মোবাইল ভেটিরিনরি য়ুনিটনা চঙশিল্লগা য়েংশিল্লুবদা শগোলশিং অদুদা লায়হৌ শাবা, নাতোন মহি লাংবা, মশা শোন্থবা, শ্বর হোনবা ৱাবা, লোক খুবনচিংবা লায়ওংশিং উৎলকপা থেংনরকখি। নারবা ...মখা লমায় ৫দা...

# কাইলেংজাং মীহাৎ য়ানিংদবা উৎতুনা সেনাপতিদা খোঙজং চঙশিনখ্রে, নুমিৎ ৭নিগী মনুংদা লৈঙাক্লা পাউখুম পীরক্লবা তকশিনখ্রে

ইম্ফাল, ওক্তোবর ০২ (এস এন এস)ঃ মমাঙ থা সেপ্টেম্বর ২৬তা কাইলেংজাংদা কুকি খূৎলায় পায়বশিংনা নাগা মীচম ৩ হাৎখিবা অমসুং অমনা শোকহনখিবা থৌদোক য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা সেনাপতিগী ট্রাফিক পোইন্টতা নাগা ফুরুপকী মীওই লিশিং ২ রোম হেনবনা রেল্লি চৎতুনা খোঙজং চঙশিনখ্রে।



মীহাৎ অসিগী মতাংদা দিমান্দ ৯ য়াওবা চেরোল অমসু দি সিগী ময়ুমদা চৎতুনা পীশিনখ্রে। নুমিৎ ৭নিগী মনুংদা লৈঙাক্লা পাউখুম পীরক্ত্রবদি মখা তাবা খোঙজং চঙশিনগনি হায়রি।

নাগা পিপলস ওর্গনাইজেসন (এন পি ও)না শীন্দুনা ঙসি চথখিবা প্রোটেষ্ট রেল্লি অদুদা লৈখিদ্রবগী ইমুং মনুংদা অচম্বা খুদোলপোৎ তমদুনা অৱাবদা ...মখা লমায় ৫দা...

# লোক সভাদা পুখৎপা ৱা তাদ্রবা বি জে পি লৈঙাক্লা মীয়ামগী ৱাকৎ তারোইঃ সঞ্জয়

ইম্ফাল, ওক্তোবর ০২ (এস এন এস)ঃ চহীসিগী জুলাই ২০দগী হৌরগা ওগষ্ট ১৩দা লোইশিনখিবা লোক সভা মীফমদা ইন্নর মণিপুরগী এম পি ওজা বিমোই অকোয়জম্না ওগষ্ট ৭তা রুল নম্বর ৩৭৭গী মখাদা পুখৎখিবা নোটিস অদুগী পাউখুম ঙসি নুমিৎ ৫৫নি শুরবা ফাওবা পীরক্তবা হায়বসি পার্লিয়ামেন্টরি দেমোক্রেসিগী ইথিক্স, কলচর অমদি কনভেন্সন থুগায়বনি হায়না কুম্বী এসিদা ভোট লেপখিবা লাক্কদৌরিবা ১৩শুবা এসেমব্লি ইলেক্সনদসু মীরেপ ওইনবা হোৎনরিবা সোসিয়েল ৱার্কর সঞ্জয় অহন্থেম্না ফোঙদোরক্লি।

মণিপুরগী এম পি ওজা বিমোল অকোয়জম্না পার্লিয়ামেন্টকী স্পিকরনা অয়াবা পীখ্রবা নোটিস অদুদা ত্রাইপরটাইট এগ্রিমেন্টকী মখাদা সূ তৌনরিবা আর্মদ গ্রুপশিংগী এগ্রিমেন্টকী টার্মর্স এন্দ কন্দিসন্সশিং অমসুং কমপ্লাইয়েন্স ষ্টেটসশিং পব্লিক দোমেনদা থম্মু অমসুং নেসনেল হায়ৱেশিংদা ইল্লিগেল ওইবা এক্সটোরসন তৌরিবসি থীংদুনা পোৎ অমসুং ...মখা লমায় ৫দা...

# মণিপুরগী ঙমখৈ কন্নবা থৱায় থারবদি মাঙজিল থানা থাদোক্কেঃ এম তোম্বী

ইম্ফাল, ওক্তোবর ০২ (এস এন এস)ঃ ঙমখৈ কন্নবা হোৎনবদা থৱায় থাদোকমিন্নসি, মাঙজিল থাগে হায়না সিব সেনা মণিপুর প্রদেশকী প্রসিদেন্ট মোইরাংথোম তোম্বীনা ফোঙদোকখ্রে।

ঙসি সিব সেনা মণিপুরদা নৌনা চঙলক্লবা মীওই ৩ তরান্না ওকপগা লোয়ননা ফম শীন্নবগী বাবুপারাদা লৈবা পার্টি অসিগী ওফিসতা পাঙথোকখিবা থৌরমদা ৱাফম অসি মহাক্লা ফোঙদোকখিবনি।

ঙসি নৌনা চঙলকখ্রবা মীওই ৩ অদুদি এম ঐচ আর সিগী হান্নগী এক্টিং চেয়রপার্সন এদভোকেট কাংজম খাগেন্দ্র, এম এন দি এফকী হান্নগী প্রসিদেন্ট চিংথাম প্রিয়োকুমার অমসুং থৌনাওজম রাজেননি। ঙসি নৌনা চঙলকখ্রবা এদভোকেট কাংজম খগেন্দ্রবু তরান্না ওকপগা লোয়ননা সিব সেনা মণিপুর প্রদেশকী লিগেল এদভাইজরগী ফমসু খূৎশিন্নখ্রে।

থৌরম অদুগা মরী লৈননা এম তোম্বীনা মখা তারদুনা হায়, মণিপুরদা মালেমদা স্পোর্টকী লমদা মীংচৎ কয়া ...মখা লমায় ৫দা...

### গুরু গুরুময়ুম বগেন্দ্রো শর্ম্মগী চহী ১ চুপ্পা চথগদবা পালন থৌরম হৌদোকখ্রে

# আর্টিষ্টশিংনা শৈফম মুন্নরকপনা আর্ট ফোর্ম কয়া শীথরকপনিঃ সনাজাওবা



ইম্ফাল, ওক্তোবর ০২ (এস এন এস)ঃ গুরু গুরুময়ুম বগেন্দ্রো শর্ম্মগী চহী ১ চুপ্পা চথগদবা পালন থৌরম হৌদোকখ্রে। মণিপুরদা লৈরিবা তোঙান-তোঙানবা আর্টিষ্টশিংনা মাগী মাগী আর্ট ফোর্মদগী হেন্দোক্তুনা অতোপ্পগী শৈফম মুল্লকপদগী আর্ট ফোর্ম কয়া শীথরকপগী মচাক ওই হায়না রাজ্য সভাগী মেম্বর ওইরম্বা মহারাজ সনাজাওবা লৈশেম্বনা ফোঙদোকখ্রে।

গুরু গুরুময়ুম বগেন্দ্রো শর্ম্মগী পোকপা নুমিৎকা মরী লৈননা গুরু গুরুময়ুম বগেন্দ্রো শর্ম্ম সেন্টিরিনরি সেলেব্রেসন কম্মিটিনা শীন্দুনা চহী ১ চুপ্পা চথগদবা থৌরম উরিপোক তৌরাংবম লৈকাইদা লৈবা গুরুময়ুম মান্দপতা হৌদোকপদা অথোইবা মীথুংলেনগী ৱারোল পীরদুনা মহাক্লা মখা তানা হায়, গুরু গুরুময়ুম বগেন্দ্রো শর্ম্ম মণিপুরগী হৌজিক মুৎশিল্লক্লবা আর্ট ফোর্ম অমা ওইরিবা মনোহর সাইবু য়োকখৎনবা হোৎনবদা ...মখা লমায় ৫দা...

# নো এন আর সি নো সেন্সস হায়বা জে এফ দি ৱুমেন ৱিংগী সিগনেচর কেম্পেইনদা এম এল এ ১৫গী খুৎয়েক লৌখ্রে

ইম্ফাল, ওক্তোবর ০২ (এস এন এস)ঃ কেম্পেইন ফোর জষ্ট এন্দ ফেয়র দিলিমিটেসন (জে এফ দি) ৱুমেন ৱিংনা লেপ্তুনা চথরকপা নো এন আর সি নো সেন্সসকী সিগনেচর কেম্পেইন ঙসি ৪নি চনবা নুমিৎতা এম এল এ ৫গী খূৎয়েক লৌদুনা পূন্না এম এল এ ১৫দগী খূৎয়েক লৌবা ঙমখ্রে।



হৌখিবা সেপ্টেম্বর থাগী ২৯দগী হৌরগা জে এফ দি ৱুমেন ৱিংনা চথরকখিবা এম এল এশিংগী খূৎয়েক লৌবগী সিগনেচর কেম্পেইনগী ঙসি মরিনি চনবা নুমিৎতা এম এল এ ৫দগী খূৎয়েক লৌরকখিবনি।

ঙসি খূৎয়েল পীরক্লবা এম এল এশিং অদুদি হিয়াংলম এ সিগী এম এল এ ডা. য়ুম্নাম রাধেশ্যাম, জিরিবাম এ সিগী এম এল এ অসব উদ্দিন, ৱাংজিং তেন্থা এ সিগী এম এল এ পাওনম ব্রোজেন, উরিপোক এ সিগী এম এল এ খ্বাইরাকপম রঘুমনি অমসুং কৈশামথোং এ সিগী এম এল এ নিসিকান্ত সাপমনি।

ঙসিগী এম এল এশিংগী ফিরেপ লৌবা খোঙচৎ অদুগা মরী লৈননা জে এফ দি ৱুমেন ৱিংগী কনভেনর শৌগ্রাকপম ...মখা লমায় ৫দা...

[illegible]



[illegible]



[illegible]





[illegible]





[illegible]

## ঙসিগী রাষি ফল (০৩-১০-২০২৬)

ইবোপিশক নিংথৌজা (এরার্দি)

*এষ্ট্রো এণ্ড পালমিষ্ট, পাউনা বাজার, ইম্ফাল*

**মেষঃ** রা ঙাংবদা হে শিংদ্রবদি তোখাই তাবা থেংনরগনি। শেল-পীথোক পীশিন্দা হে শিংগনি। লমতু চৎপা চেকশিনগনি। ইমুংদা চরাংনগনি।
পাখং লৈশাবীশিংগী – লৌ তৌনগনি।
মহৈরোয়শিংগী – হোৎননিংলোই।

**বৃষঃ** চরক চহিং নাইবা মরক্তা থৌরমদি পাঙথোক্লগনি। লুচিংবশিংনা চানবিবা, অরাপ্পা চৎপা মী তিন্নবদি চেকশিনগনি। শাগৈনা য়েংথিগনি।
পাখং লৈশাবীশিংগী – মুক্লগনি।
মহৈরোয়শিংগী – ৰাখল চঙলোই।

**মিথুনঃ** খঞ্জরুবা থবক্তি পাঙথোক্লগনি। শেল ফংবা চৎপা মান্নগনি। মকোক ওইবশিংনা নুংশিবিবা তিন্নবশিংনা য়েৎশিনবা ওইরগনি।
পাখং লৈশাবীশিংগী – ৰারৌনগনি।
মহৈরোয়শিংগী – চরাংনগনি।

**কর্কটঃ** চেকশিন্না হে শিংনা হোৎনজবতনা অফবা ওইরগনি। কল্লকপা মীহৌবা লোয়নরগনি। শেল ফংবা চৎপা মান্নগনি। লম চৎপা হে শিংগনি।
পাখং লৈশাবীশিংগী – ৰাখল মান্নগনি।
মহৈরোয়শিংগী – লৌশিং হেনগৎলগনি।

**সিংহঃ** অশাওবা ৰারৌবা লোয়নরগনি। খৎনদনবা হোৎনজগনি। গাড়ী তপ্পা থৌগনি। শাগৈনা য়েংথিগনি। থৌরমদি পাঙথোক্লগনি।
পাখং লৈশাবীশিংগী – মুক্লগনি।
মহৈরোইশিংগী – ৰাখল ফকচিনগনি।

**কন্যাঃ** চরাংনবা নুংনাংবা অমা নৎত্রগা অমা খনবা ওইরগনি। থবক মচা মচাদি পাঙথোক্লগনি। চাংয়েংনবদা মায় পাক্লগনি। চখোক চৎশিন্দা কান্নগনি।
পাখং লৈশাবীশিংগী – লৌ তৌনগনি।
মহৈরোয়শিংগী – ৰাখল চঙলোই।

**তুলাঃ** হোৎনজমন কান্নবা ফংবা, থৌরম পাঙথোকপা, মতেং পীবিবা হেনগৎপা, পোৎ লৈবা য়াবা নুমিৎনি। অরাপ্পা চৎপদি হে শিংগনি।
পাখং লৈশাবীশিংগী – মত চান্নগনি।
মহৈরোইশিংগী – লৌশিং হেনগৎলগনি।

**বৃশ্চিকঃ** চেকশিন্না হৈশিংনা হোৎনজগনি। মরুপ মফম চাওখৎলগনি। লুচিংবশিংনা চানবিবা, চখোক চৎশিন্দা কান্নবা নুমিৎ ওইরগনি।
পাখং লৈশাবীশিংগী – ৰারৌনগনি।
মহৈরোইশিংগী – ৰাখল চরাংনগনি।

**ধনুঃ** রা ঙাংবদা, মী লোয়নবদা চেকশিন্দ্রবদি অরানবা তাবা, মীচং শোন্থবা থেংনরগনি। থবক মচা মচাদি পাঙথোক্লগনি। ইমুংদা চরাংনগনি।
পাখং লৈশাবীশিংগী – ৰাখল মান্নরোই।
মহৈরোয়শিংগী– হোৎননিংলোই।

**মকরঃ** চেকশিন্না হে শিংনা হোৎনজবতনা অফবা ফল ফংলগনি। লুচিংবশিং, লমলানবশিংনা চানবিরগনি। শাগৈনা য়েংথিগনি।
পাখং লৈশাবীশিংগী – লৌ তৌনগনি।
মহৈরোয়শিংগী – হোৎননিংগনি।

**কুম্ভঃ** কল্লকপা, মিহৌবা, য়েংশিনবা থেংনরগনি। থবক খরদি পাঙথোক্লগনি। লমলানবশিং, মকোক ওইবশিংনদি চানবিরগনি।
পাখং লৈশাবীশিংগী – ৰারৌনগনি।
মহৈরোয়শিংগী – ৰাখল চরাংনগনি।

**মীনঃ** পাঙথোক্লিংবা পাঙথোকপা, মতেং পীবিবা হেনগৎপা, শাগৈনা মরুপ মপাংশিংনা চানবিবা ওইরগনি। ইমুংদা শান্তি লৈরগনি।
পাখং লৈশাবীশিংগী– মত চান্নগনি।
মহৈরোয়শিংগী – লৌশিং হেনগৎলগনি।


[illegible]

**M/S BEE BRICK FIELD**

Wangjing Sabal Checkon Leikai

**HEAVY DISCOUNT**

| Class | Rate | No. Of Bricks | Total Amount | Trns./Labour Charge (Rs.) | Total (Rs.) |
|---|---|---|---|---|---|
| 1st Class | 12.50 | 1,500 | 18,750 | 3,500 | 22,250 |
| | | 2,000 | 25,000 | 3,500 | 28,500 |
| 2nd Class | 12.00 | 1,500 | 18,000 | 3,500 | 21,500 |
| | | 2,000 | 24,000 | 3,500 | 27,500 |
| 1st Reject | 11.00 | 1,500 | 16,500 | 3,500 | 20,000 |
| | | 2,000 | 22,000 | 3,500 | 25,500 |
| Jhamat | 10.00 | 1,500 | 15,000 | 3,500 | 18,500 |
| | | 2,000 | 20,000 | 3,500 | 23,500 |
| 1st P.T. | 9.00 | 1,500 | 13,500 | 3,500 | 17,000 |
| | | 2,000 | 18,000 | 3,500 | 21,500 |
| 2nd P.T. | 8.00 | 1,500 | 12,000 | 3,500 | 15,500 |
| | | 2,000 | 16,000 | 3,500 | 19,500 |
| 3rd Class | 5.50 | 1,500 | 8,250 | 3,500 | 11,750 |
| | | 2,000 | 11,000 | 3,500 | 14,500 |
| 4th Class | 4.00 | 1,500 | 6,000 | 3,500 | 9,500 |
| | | 2,000 | 8,000 | 3,500 | 11,500 |
| 1st Checktek 407 | | | 4,500 | 3,500 | 8,000 |

Please Contact:
9366988039 / 7005134130

SL/Sush/6 Sep-6 Oct/alt


## SANA - SUDOKU

*Rules :- Nos. given in the grid should not be changed. Free boxes is to be filled with numbers from 1 to 9 horizontally and vertically without repeating any numbers.*

**Evil Sana Suduku-1096**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | | 8 | | 6 | | | 5 | 3 |
| 3 | 6 | | | | 8 | 7 | | |
| | 2 | 7 | | | 5 | 8 | | |
| | 3 | | 8 | 5 | | 6 | | |
| | | 9 | 6 | 3 | | | 2 | |
| 8 | | | 7 | | 2 | | 3 | |
| | 5 | 1 | | 8 | | 3 | | |
| 6 | | | 2 | | | | 8 | 5 |
| 2 | | | | | 3 | | | 6 |

সনা-সুদোকু-১০৯৬গী সোল্যুসন লমাই ৬তা

# ট্রম্পকী ৱার্নিং মতুং ৩শুবা এয়ারক্রাফ কেরিয়র অমসুং ট্রুপ ১০,০০০ অমগসু মিদ্দল ইষ্টতা থারগনি



ৱাসিংটন, ওক্টোবর ০২ (এজেন্সি):

নবেম্বর ৩দা পাঙথোক্কদৌরিবা য়ু এসকী মিদটার্ম ইলেক্সন মতুং ইরানদা অনৌবা এটেকশিং চত্থবা য়াবগী মতাংদা য়ু এস প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পনা ৱার্নিং তৌখিবা মতুং য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা অতোপ্পা য়ু এস ট্রুপ ৯,০০০দগী ১০,০০০ অমগা লোয়ননা মিদ্দল ইষ্টতা ৩শুবা এয়ারক্রাফ কেরিয়র থারগনি।

য়ু এস এস থিওদোর রুজবেল্ট অমসুং মাগী সার্ভিস মেম্বরশিং পুবা ষ্ট্রাইক গ্রুপ নবেম্বরগী অরোইবা ফাওবগী মনুংদা মিদ্দল ইষ্টতা থুংলরগনি।

হৌজিক লমদম অদুদা য়ু এস এস জোর্জ ঐচ দব্লিয়ু বুস অমসুং য়ু এস এস জোর্জ ৱাসিংটন- অতোপ্পা এয়ারক্রাফ কেরিয়র অনি অসি থল্লি।

মদুনা লমদম অদুদা য়ু এসকী ফোর্স, সেলর অমসুং মেরিন ২০,০০০দগী হেনবগা লোয়ননা এয়ারক্রাফ চা কয়াগা লোয়ননা মহৌশাদগী য়ান্না হেন্না য়াল্লগনি। ট্রম্পনা ইরানগী শান্তিগী ৱাফম য়াখিদ্রে।

ন্যু য়োর্কতা ইস্লামিক রিপব্লিকনা য়ু এন জেনরেল এসেম্ব্লিদা হৌখিবা চয়োলদা লাউথোকখিবা ইরানগী শান্তিগী ৱাফম অদু ট্রম্পনা য়াখিদে।

ৱাফম অদু কাটারি মেদিয়েটরশিংগী খূৎথাদগী য়ু এসতা থাখিবনি হায়না ইরাননা হায়খি।

মখোয় শাথিনা মাঙবা মরমদগী হোরমুজ ষ্ট্রেট অদু খুদক্তা হাংদোক্লবা দিল অমা মখোয়না তৌনবা পাম্মি হায়না ট্রম্পনা হ্বাইট হাউসতা পাউমীশিংদা হায়খি।

ট্রম্পনা ফ্লাইদুবাই থৌদোক অদু ইরানগা মরী লৈনরমগনি হায়খি। য়ুমশকৈশ নুমিৎতা পাউমীশিংদা ৱা ঙাংবদা ট্রম্পনা কেপ্টেন অদুদা থাঙনা থিনখিবা অমসুং ইজরেল তন্না পাইরকপা ফ্লাইট অমা ক্রাস তৌনবা হোৎনখিবা কেপাইলোট অদুগা ইরানগা মরী লৈনরম্বা য়াই হায়নসু ট্রম্পনা হায়খি।

মদুগী মতাংদা মরী লৈনরম্বা য়াব্রা হংলবদি ঐহাক্লা তারিবা অদুদা য়ুমফম ওইরগা ঐনা পাউখুম অদু হোই হায়গনি, অদুবু হৌজিমক্কী ওইনদি মদুগী মতাংদা ঐখোয়না থবক তৌরি হায়না ট্রম্পনা হায়খি।

এটেক অদুগীদমক করিগুম্বা ইরান চেন্নরম্বা তারবদি য়ু এসনা ইরানগী মথক্তা লমন খুমগদ্রা হায়না হংবদা ট্রম্পনা মখোয়দা য়ান্না কন্না য়েংগনি, ৱারুগনু হায়না পাউখুম পীখি।

হৌজিক ফাওবগীদি ইরানগা মরী লৈরম্বা য়াবা ওফিসিয়েল ওইবা ইভিদেন্স লৈতে।

# চাইনানা কিহল্লক্লিংঙৈ টাইৱাননা অহানবা ওইনা য়ু এসনা শাবা এফ-১৬ ভি ফাইটর জেটশিং ফংখ্রে

টায়পৈ, ওক্টোবর ০২ (এজেন্সি):

টাইৱানদা চত্থরকপা য়াবা চাইনিজ এটেক অমা ঙমহন্দনবা মখোয়গী মিলিটরি কেপাবিলিটিজ হেনগৎহন্দুনা ঈথৎ লৈবাক অদুনা ইরাই নুমিৎতা অহানবা ওইনা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা শাবা এফ-১৬ ভি ফাইটর জেটশিং ফংখ্রে।

লানগী প্লেনশিং অদু য়ু এস প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পকী অহানবা টার্ম মনুংদা এপ্রুভ তৌখিবা এফ-১৬ ভি ৬৬কীদমক দোল্লর বিল্লিয়ন ৮গী শরুক অমনি অমসুং মদু চহী অসিদা পীগদবনি।

চাইনানা থিংবদগী ট্রম্পনা লেপ্তুনা লৈখিবা তোঙানবা দোল্লর বিল্লিয়ন ১৪গী অর্মস পেক্কেজ অমগীদমক ৱাসিংটনগী এপ্রুভেল অদু টাইৱাননা ঙাইরিঙৈ প্লেন অদু থুংখিবনি।

চাইনানা টাইৱানবু মখোয়গী টেরিটোরিগী শরুক্কি হায়রি অমসুং মদু লৌশিন্নবা শক্তি শিজিন্ননবগী কিহল্লিবনি। য়ু এস দিফেন্স কন্ট্রেক্টর লোকহিট মার্টিননা শাবা এফ-১৬ ভি অনি অদু ঈথৎ অদুগী খানোংপোক তোর্ব্বানদা লৈবা টাইতুংগী এয়ারফোর্স বেজ অমদা লেন্দিং তৌরকখি।

জেটশিং অদু হৱাই অমসুং গুৱামদা রিফ্যুয়েলিংগী পন্দুনা লৈখিবগী মতুং সেপ্টেম্বরগী অঙনবদা থুংলবগী আশা তৌনখিবনি। প্লেনশিং অদু গুৱামগীদমক পাইখৎখিবা মতুং থুনমক হৱাইদা অমুক হনখি হায়না লোকেল মেদিয়াগী পাউনা হায়খি।

ওফিসিয়েল ওইবা শন্দোক ৱারোল অমত্তা পীখিদে। বানোকুলরশিং অমসুং অশাংবা লেন্স



কেমেরাশিং পায়বা খরা য়াওনা মীওই কয়ামরুম্না থুলগদবা জেটশিং অদু য়েংনবা এয়ারবেজ অদুগী পেরিমিটর ফেন্স মনাক্তা পূনখি। ময়াই থংবা সিটি টাইচুংদগী সেলসমেন অমা ওইরিবা কিনি সিনা টাইচুংদা এয়ারক্রাফ অদু লেন্দিং তৌরকপগী ফোটোগ্রাফ লৌবা ঙম্নবা অহিংদা লাকখি।

অফবা থবকশিং হায়বসি মতম চংই হায়রদুনা মতম থেংথবা অদুগী মতাংদা মহাক্না হায়খি, হৌজিক তশেংনা ঐখোয়গী ৱাৎলিবা অসি পাইলোটশিংনি। মিলিটরি পাইলোটশিং অসিগীদমক গভর্ণমেন্টনা হেন্না ফবা অহেনবা এলাৱেন্সশিং পীগনি হায়না ঐহাক্না আশা তৌই হায়খি।

সি সি পিদগী মতম পুন্নমক্তা অকিবা পীরক্লি, মরম অদুনা ঐখোয়গী দিফেন্স কেপাবিলিটিজ কনখৎহনবা লেপ্তুনা মথৌ তাই হায়না হান্নগী এয়ারফোর্স সার্ভিসমেন এরিক চার্টনা চাইনিজ কম্যুনিষ্ট পার্টিদা খুদোম্বি থিল্লদুনা এ এফ পিদা হায়খি।

এফ-১৬ ভি অসি ৪শুবা জেনরেসনগী মল্টি-রোল ফাইটর অমনি অমসুং টাইৱানগী অহল ওইরবা এফ-১৬ এ/বি জেটশিংগী শিংথানিঙাই ওইনা অপগ্রেদ তৌরবা মওং অমনি।

হেন্না এদভান্স ওইবা কম্বেট দিটেক্সন অমসুং ইঞ্জিন কেপাবিলিটিজ পাল্লবা এফ-১৬ ভিনা চাইনাগী মিলিটরিনা কিহল্লকপা মায়োক্নবদা টাইৱানগী এয়ারফোর্সতা কান্নরবা অহেনবা অমা হাপচিল্লগনি হায়না টাইপৈদা লৈবা ইনষ্টিট্যুট ফোর নেসনেল দিফেন্স এন্দ সেক্যুরিটি রিছার্সকী মিলিটরি এক্সপার্ট সু জু-য়ুননা হায়খি।

# জিহাদিষ্ট টেরর এটেম্পনি: ইজরেলনা ফ্লাইদুবাই ওমানি পাইলোটকী এক্সট্রাদিসন দিমান্দ তৌরগনি

টেল এভিব, ওক্টোবর ০২ (এজেন্সি):

দুবাইদগী টেল এভিবতা পাইরকখিবা ফ্লাইদুবাই ফ্লাইট অদুগী কোকপিট মনুংদা অঙকপা এটেক অদু টেরোরিষ্ট এটেক অমা ওইরম্বা য়াবগী মওংদা থিগৎলি। ইজরেলনা থৌদোক অদু জিহাদিষ্টকী মওং লৈ হায়খি অমসুং মখোয়না এটেক্কর অদু এক্সট্রাদিসন তৌনবা হোৎনরগনি হায়খ্রে।

পাউগী এজেন্সিগা অখন্ননা উন্নবা অমদা ইজরেলগী ফোরেন মিনিষ্টর গিদিওল সাঅরনা ইনভেষ্টিগেটরশিংনা থৌদোক অদুগী মরুমদা কনা লৈ অমসুং হেন্না পাকচাওবা টেরর প্রোট অমগী থৌরাং অমা ওইব্রা হায়বদু খঙনবা হৌজিকসু থবক চত্থরি হায়খি।



সাউদি অরাবিয়ানা মীওই অদু য়ু এ ইদা খূৎশিন্নখ্রে মফম অদুদা ইনভেষ্টিগেটরশিংনা থৌদোক অদু য়েংশিল্লি। মহাক এক্সট্রাদিসন তৌনবা ইজরেলনা দিমান্দ তৌগদ্রা হংবদা ফোরেন মিনিষ্টর অদুনা শেংনমক ঐখোয়না মদুগীদমক দিমান্দ তৌগনি হায়না খুমখি।

মতম শাংনদগী ইরানগা টেহরানগা মুক্নরক্লিবা অমসুং ইজরেলদা য়েংথিবা মিলিট্যন্ট গ্রুপশিং ইরাননা শৌগৎপা অসি য়েংলগা ইনভেষ্টিগেসন অদুদা ইরান চেন্নরম্বা য়াবগী ওইথোক্লিঙাই লৈব্রা হায়বসি য়েংশিল্লি। অদুবু ইভিদেন্স লৈতনা মরাল শীবা পামদে হায়না ইজরেলগী ফোরেন মিনিষ্টর অদুনা হায়খি।

ইজরেলগী ইন্টিলিজেন্স এজেন্সি মোসাদকি এম আই এ য়ুনিটকী হান্নগী মকোক রামি ইগ্রানা সেপ্টেম্বর ৩০গী থৌদোক অদু য়ান্না হেন্না অঙকপা নৎতে, হৌজিক ফাওবদা ইভিদেন্সনা মদু নেগোসিয়েসন্সতা পান্দম থন্নবা হায়জেক্কিং এটেক অমা ওইবতা নৎতনা য়ান্না হেন্না শাথিবা অমা ওইরম্বা য়াই হায়খ্রে।

হৌজিক সাউদি অরাবিয়াগী কষ্টদিদা লৈরিবা এটেক্কর কো-পাইলোট অদু রেদিকেলাইজ মুস্লিম অমনি হায়না মহাক্না হায়খি।

ইভিদেন্স ঙাইদুনা লৈরবসু ইজরেলদা পেলেষ্টিনিয়ানগী ঈহৌ শৌগৎপা মুভমেন্টশিং শৌগৎপা চেজাইশিং মহাক্কী পোৎচৈদগী ফংই হায়না ইগ্রানা কোন্না ফংবা পাউশিং পল্লদুনা হায়খি।

ইরাননা হৌজিক চত্থরিবা লান অসিগী মতাংদা হংবদা মহাক্না ইরানিয়ান শিংনদি এটেক অদুদা মখোয় করিমতা মরী লৈনদে হায়খ্রে হায়খি অমসুং মহাক্না মসিগী মীওই অসি ইস্লামিক রেদিকেলাইজেসনগী ওইরকখিবা মতেমখক্তমক চোংথোকচরকখিবা ওইরমগনি থাজে হায়খি।

লৈবাক অমা ওইনা ওমনদা মরাল শীবা য়ারোই, এটেক্কর অদুগী ৱাখল্লোন অদু কুরানগী হেন্না রেদিকেল ওইবা ৱাহন্থোক ইনবা হকচিনবা মুস্লিম অমা ওইরম্বা য়াই হায়না মহাক্না হায়খি।

কনাগুম্বা অমবু সুইসাইদ তৌনবা অমসুং মহাক্কী মোংফমদা অতোপ্পা মীওই ১৭০গা লোয়ননা পুনবা হোৎনবা হায়বসি লাইনিং খক্তনা ওইথোকহনবা ঙম্মি হায়না মহাক্না হায়খি।

ইজরেলগী প্রাইম মিনিষ্টর বেঞ্জামিন নেটান্যাহুনসু মীওই অদুনা সুইসাইদ বোম্মিং নৎত্রগা ক্রাস অমা চত্থবা পাম্বা মাল্লি হায়খি।

# রেকোর্দ থুগাইবা পুং ৮গী খোঙচৎতা এষ্ট্রোনেট ৪ ইন্টরনেসনেল স্পেস ষ্টেসন (আই এস এস)তা থুংখ্রে



ৱাসিংটন, ওক্টোবর ০২ (এজেন্সি):

য়ু এস স্পীদ রেকোর্দ অমা থমখিবা পুং ৮গী এক্সপ্রেস অমা থাগৎখিবা মতুং শগোলশেল নুমিৎতা ইন্টরনেসনেল স্পেস ষ্টেসনদা এষ্ট্রোনোট ৪ থুংখ্রে। নৌনা থুংলখিবশিং অদুগী মনুংদা মহাক্কী নুপী অঙাং উন্নগদৌরিবা কনাদিয়ান অমা য়াওরি।

স্পেস এক্সনা মখোয়গী দ্রেগোন কেপসুলগী লিকিং ফুয়েল সিষ্টেম শেমজিন্নবা চয়োল ৩ থেংথরবা মতুং নাসাগীদমক কম্মান্দর জেসিকা ৱাটকিন্স অমসুং মহাক্কী ক্রু থাখি। ইন্টরনেসনেল স্পেস ষ্টেসন অদুদা মখোয়না শাংলবা থা ৬ লৈরুগদবা ওইরবসু ফ্লাইট অদু এলোন মস্ককগী কম্পেনি খক্তগী নৎতনা নাসাগী য়াওনা আমেরিকান এন্টাইটিশিংগীদমক খ্বাইদগী থুবা ওইখি।

এষ্ট্রোনেটশিং অদু থাগৎখিবা মতমদা স্পেস ষ্টেসন অদুগী খুদোঙচাবা মফম অদুনা মরম ওইদুনা খ্বাইদগী থুনা য়ৌবা ঙমহনখিবনি।

কেপ কেনাভরেল স্পেস ফোর্স ষ্টেসনদগী অয়ুক অথেংবদা কাপখৎখিবা অদুদা ৱাটকিন্সনা ওর্বিটতা ক্রু অমা লুচিংবদা অহানবা কুচু মুবা নুপী অদু ওইখ্রে।

চহী ১০গী মমাঙদা নসাগী মারস রোভর ক্যুরিওসিটি দা থবক তৌরকখিবী জিওলোজিষ্ট অমা ওইরিবী ৱাটকিন্সনা ২০২২দা মতম শাংনা লৈখিবা অমগী মতুং স্পেস ষ্টেসন অসিদা মাগী ২শুবা খোঙচৎ অসি চৎখিবনি।

অতৈদি স্পেসতা নৌনা খোঙদাবশিংনি, মখোয় অদুদি নাসাগী ল্যাকদেলানি, রিটয়ার মেরিন, রোয়েল কনাদিয়ান এয়ারফোর্সকী কর্নেল অমা ওইবা কনাদাগী জোসুৱা কুত্রিয়েট, অমসুং হান্নগী সবমেরিনর অমা ওইবা রসিয়াগী সেরগি টেটেরিয়াটনিকোবনি।

ওর্বিটতা পাইদুনা লৈরিবা লেবোরেটরি অদুদা ফেব্রুৱারিদগী হৌনা লৈরকখিবা এষ্ট্রোনোট ৪ অদুগী মহুৎ মখোয়না শিলহৌগনি।

# ইরানদা ইকোনোমিক্কী শাফু পীবা হেনগৎনবা য়ু এসনা লৈবাক অদুগী রেল অমসুং ওটো সেক্টরশিংগী মথক্তা সেঙ্কসন থমখ্রে



ৱাসিংটন, ওক্টোবর ০২ (এজেন্সি):

য়ু এসকী ট্রম্প এদমিনিষ্ট্রেসননা শগোলশেল নুমিৎতা ইরানগী রেল অমসুং ওটোমোটিব কোংগ্লোমরেটশিং অমসুং সেক্টরশিং অদুগী ইন্টরনেসনেল সপ্লায়রশিং টার্গেট তৌদুনা অনৌবা সেঙ্কসন্স থমখ্রে হায়না টেহরানবু ইকোনোমিক্কী ওইনা নাইতোম তাহন্নবা য়ু এসনা খ্বাইদগী নৌনা হোৎনবা খোঙথাং অমদা য়ু এসকী ট্রেজরি দিপার্টমেন্ট অদুনা হায়খ্রে।

সেঙ্কসনশিং অদু ৱার অদুগীদমক, মিসাইল কন্ষ্ট্রক্সন, সাইবর এটেকশিং অমসুং ইস্লামিক রিভোলুসনরি গার্দস কোর নৎত্রগা আই আর জি সিগীদমক টেহরানগী ফন্দিং ককথনবা পান্দম থম্বা ওগষ্ট ২৪দা লাউথোকখিবা দিপার্টমেন্ট অদুগী ওপরেসন ইকোনোমিক আউটকাস অদুগী শরুক্কি।

থা ৭ লোমগী মমাঙদা ইরানগী মথক্তা য়ু এসনা ইরানদা এটেক তৌবদগী হৌখিবা লান অদু লোইশিন্নবা টেহারানবু নমদুনা নেগোসিয়েট তৌহন্নবা প্রোগাম অসিনা পান্দম থল্লি।

য়ু এসনা ষ্ট্রেট ওফ হোর্মুজ ফাওদুনা চৎপা ইরানগী ওইলদা ব্লোকেদ অমা থল্লিবা অদু টেহরানবু নমদনা পেট্রোলিয়ম, ফর্টিলাইজর, কেমিকেলস অমসুং অতৈ পোৎলমশিং পুনবা ওটোশিং অমসুং রেলদা হেন্না তাংজহনখি।

সেঙ্কসনশিং অসিনা ইরান ফোদ্রো কম্পেনি, নৎত্রগা আই কে সি ও অমসুং এস এ আই পি এ ইরানিয়ান ওটোমোবাইল মেনুফেকচরিং কম্পেনি দেজিগনেট তৌরি। কম্পেনি অনি অদুনা ইরানগী দোমেষ্টিক ওটোমোবাইল মার্কেটকী চাদা ৯০ রোমগী থবক তৌরি হায়না য়ু এসকী ট্রেজরি দিনার্টমেন্ট অদুনা হায়খি।

য়ু এসকী দিনার্টমেন্ট অদুনা পেসেঞ্জর অমসুং ফ্রেট সার্ভিসশিং পীরিবা গভর্ণমেন্টনা মপু ওইবা ইস্লামিক রিপব্লিক ইরান কম্পেনি, রাজা পেসেঞ্জর কম্পেনি অমসুং সেরকত-ই-রাহ অহান-ই খামলে- ও-ঙাঘলে হায়রিবা রেলৱে ট্রান্সপোর্টেসন কম্পেনি হায়নসু খঙনবা অদুসু দিজিগনেট তৌরি।

থবক অসিনা য়ুনাইটেদ ষ্টেটস অমসুং মখোয়গী পার্টনরশিংগীদমক লৈবাক অদুগী রেভিন্যু মতম পুন্নমক্কী ওইনা কংহন্নবা য়ুমফম অদু থোল্লে হায়না য়ু এসকী ট্রিজরি সেক্রেটরি অদুনা হায়খি।

# য়ু এসনা মিসাইল প্রদক্সনগী দোল্লর বিল্লিয়ন ২৪.৪ লাউথোকখ্রে



ৱাসিংটন, ওক্টোবর ০২ (এজেন্সি):

ইরান লান্দা শিজিন্নথোকখিবা য়াল্লবা এম্যুনিসন অদুগী মহুৎ শিন্নবা পেন্টাগোননা এস এম-৬ মিসাইলশিং পুথোকপা মতম থুজিন্নবা রেথিওরগীদমক দোল্লর বিল্লিয়ন ২৪.৪গী কন্ট্রেক অমা পীরে লাউথোকখ্রে।

মিসাইলশিং অসি মরুওইরবা এন্টি-এয়ার অমসুং এন্টি-সর্ফেস ৱারফিয়ার ম্যুনিসনশিংনি। অহেনবা চহী ২ শাংদোকপা য়াবগা লোয়ননা চহী ৫গী কন্ট্রেক অসিনা পোথোক হেন্না থুনা পুথোকপা ঙমহল্লগনি হায়না ষ্টেটমেন্ট অমদা পেন্টাগোননা ফোঙদোকখ্রে।

ইরানগী মথক্তা চত্থরিবা লান অদুনা য়ু এসকী ম্যুনিসন অয়াম্বা লোইশিনখ্রে হায়বা অদু য়ু এস প্রসিদেন্ট ট্রম্পনা হৌজিক ফাওবা থৈদোক্তুনা লৈরি। অদুবু দিফেন্স দিপার্টমেন্ট অদুগী ইনস্পেক্টর জেনরেলনা ওপরেসন ইপিক ফ্যুরিদা শিজিন্নখিবা ম্যুনিসনশিং অদুনা মরুওইবা খূৎলাইশিংদা ময়েং তাহল্লকখ্রে হায়না হৌখিবা থাদা হায়খি। মদুনা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসপু চহী কয়ামরুম ইন্টরসেপটরশিংদা অৱাৎপা লৈহল্লগনি হায়না কংগ্রেসনেল বজেট ওফিসকী সেপ্টেম্বর ১৫গী রিপোর্ট অমনা হায়খি।

য়ু এস অমসুং ইজরেলনা ইরানদা লান্দাবা হৌখিবদগী থা ৭ হেন্না ইরাননা মরুওইবা ষ্ট্রেট ওফ হোর্মুজ পায়শিন্দুনা লৈরি।

নাকন অমরোমদা ৱাসিংটননা ইরানগী হিথাংফমশিং ব্লোকেদ তৌরি।

নবেম্বরগী অথেংবা ফাওবগী মনুংদা ইরানদা মহাক্না অমুক হন্না বোমিং মখা চত্থরবা য়াই হায়না য়ু এসকী প্রসিদন্ট ট্রম্পনা মহাক্কী ওফিসিয়েলশিংদা হায়খ্রে হায়না দ ৱাল ষ্ট্রিট জর্নেলগী পাউনা হায়খি।

মদুনা মরম ওইদুনা অমুক্কা হেন্না মখা তানা ইরানগী এটেকশিং চত্থহন্নবগী ফিভম অদু শেমগনি অমসুং আমেরিকাগী ম্যুনিসনশিংদা হেন্না অৱাৎপা লৈহল্লগনি।

# রসিয়ান এটেক মতুং ক্যিব থোং অনি থিংজিনখ্রে

ক্যিব, ওক্টোবর ০২ (এজেন্সি):

য়ুক্রেনগী কোনুংদা রসিয়ান দ্রোন এটেকশিংগী মতুং ইরাই নুমিৎতা ক্যিবকী মরুওইবা থোংশিংগী মনুংদগী অমা ট্রাফিক থিংজিনখ্রে অমসুং অনিশুবা অমসু অথিংবা থমখ্রে হায়না ওথোরিটিজনা ফোঙদোকখ্রে।

দনিপ্রো তুরেল মথক্তা শাবা ক্যিবকী নোংপোক অমসুং নোংচুপকা শন্নহল্লিবা খা থংবা থোং অদু নাকল অনিমক্তা ট্রফিকতা থিংজিনখ্রে হায়না মেয়র হিতালি ক্লকচকোনা হায়খি।

অৱাংলোমদনা পেন্টন ব্রিজ অদু সুপ্নগী ৱান-ৱেগীদমক হাংদোক্লি। অদুবু মদুদা পানখিবগী পাউশিং লৈতে হায়না মহাক্না মখা তাখি। শগোলশেল নুমিৎতা রসিয়াগী দ্রোনশিংনা খা থংবা থোংগী সপ্পোর্ট ষ্ট্রকচরশিং অদুদা পানখি। মদুনা মরম ওইদুনা ষ্ট্রকচর অদু মতম খরগী ওইনা থিংজিল্লে। মদুগী মতুং থুনমক থোং অদু ট্রাফিক অমসুং মেট্রো ট্রেন সার্ভিসশিংদা হাংদোকখি অদুবু শগোলশেলগী নুমিদাংদা অমুক হন্না এটেক তৌরকখ্রে হায়খি।


**Indian National Space Promotion and Authorization Centre (IN-SPACe)**
**Department of Space, Government of India**

**Engagement of Consultants on Contract Basis**
**(ADVT. NO. IN-SPACe: 03:2026 DATED 03/10/2026)**

IN-SPACe is an independent Nodal agency under Department of Space (DOS) for promotion and authorization of Space activities and usage of DOS owned facilities by Non-Government Entities (NGEs).

Applications are invited from eligible candidates for the following positions for a period up to two (2) years which may be extended by one year at a time up to a maximum tenure of five years, subject to satisfactory performance, functional requirement and per standard terms and conditions under Procedures and Guidelines for engagement of Consultants in IN-SPACe, as amended from time to time.

| Sl. No. | Position/Area | No. of Posts |
|---|---|---|
| 1. | Principal Consultant – Decadal Vision & Strategy | 01 |
| 2. | Senior Consultant – Office of the Chairman, IN-SPACe | 01 |
| 3. | Senior Consultant – Public Relations & Media | 01 |
| 4. | Senior Consultant – Legal Directorate, IN-SPACe | 01 |
| 5. | Technical Assistants – Technical Directorate | 02 |
| 6. | Junior Consultant – Technical Directorate | 01 |

**The detailed advertisement is available on the website www.inspace.gov.in under announcement section. The last date for submission of application is 02/11/2026. All Applicants shall submit their applications directly to the IN-SPACe Digital Platform (IDP) at https://www.inspace.gov.in.**

**Issued by IN-SPACe**

**CBC 49121/11/0003/2627**


**GOVERNMENT OF MANIPUR**
**OFFICE OF THE DEPUTY REGISTRAR OF SOCIETIES, KAKCHING**
**NOTICE FOR OBJECTION**
Kakching, the 1st October, 2026

No.Pro/SR/Kak/2026-27: It is hereby notified for general information that an application have been received by this office from Shri. Moirangthem Meiraba Meitei of the **"Hope Foundation School", Wangoo Mamang Sabal**, P.O. Kakching, P.S. Wangoo, Kakching District, Manipur on 01/10/2026 for registration under Section 4(1)(2) and Section 5 of the Manipur Societies Registration Act, 1989 and Rule 5 of MSR Rules, 2004 within the area of operation of **Wangoo Mamang Sabal only.**

In the matter, Notice for objection is circulated/notified for information of general public/registered assn. for submitting/inviting objection if any in writing (Aadhaar of the complainant or secretary with seal for orgn.) to the undersigned against the formation/registration of the proposed **"Hope Foundation School", Wangoo Mamang Sabal**, P.O. Kakching, P.S. Wangoo, Kakching District, Manipur within 15 (fifteen) days from the date of publication.

Complains/objections if not submitted during the mentioned period, the application for registration in the proposed **"Hope Foundation School", Wangoo Mamang Sabal**, P.O. Kakching, P.S. Wangoo, Kakching District may be initiated/considered/proceeded for registration as deem fit under Section 7(1)(2) of MSR Act, 1989 and Rule 6 of MSR Rule 2004.

Any objection receiving by way of postal service/hand post/special messenger after the above mentioned period will not be considered/entertained.

SL/Birj/2,3

Sd/-
(Mohammed Ali Mudassir)
Deputy Registrar of Societies, Kakching

**OFFICE OF THE THOUBAL MUNICIPAL COUNCIL**
**THOUBAL, MANIPUR**
**ꯑꯁꯤꯡꯉꯥ / NOTICE**
*Thoubal, 1st October, 2026*

No. 3/TMC/NP/2024-71 চেরোল অসিনা মরি লৈনবা মীওইশিংদা খংহল্লি মদুদি Shri Ningthoujam Sharatchandra Singh, লৈফম Thoubal Kshetrileikai দা লৈবা মীওই অসিগী মমিংদা লৈবা Municipal Shop No. 52, RCC Shopping Complex Thoubal Keithel (Stair) অসি Smt. Moirangthem Inaocha Singh S/O M. Babu Singh লৈফম Khangabok Mayai Leikai, PO Thoubal, PS Thoubal দা লৈবা মীওই অসিগী মীং ওনজরগে হায়না application থারক্লে।

কনাগুম্বনা অয়েৎপা পিনিংলবদি মখাদা সহি তৌরিবা অসিদা অইবা চেরোল নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা পিশিনবা য়াগনি। মখা তাবা ৱাকৎ লৌজরোই। লোয়ননা মীং ওনখ্রগনি।

SL/Nute/03

Sd/-
Revenue Inspector,
Thoubal Municipal Council, Thoubal.

## ক্রোসৱার্দ ১১৫৯ গী পাউখুম

| | | | | | | | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| R | E | A | M | ■ | R | A | T | S | ■ | T | R | A | D | E |
| E | L | L | A | ■ | E | R | I | E | ■ | O | I | L | E | D |
| C | O | L | L | E | C | T | E | D | ■ | A | P | P | L | E |
| A | P | O | L | L | O | ■ | R | A | P | S | ■ | S | I | N |
| P | E | W | ■ | K | I | M | ■ | N | U | T | S | ■ | ■ | ■ |
| ■ | ■ | ■ | ■ | S | L | A | M | ■ | R | E | T | A | I | N |
| A | D | E | S | ■ | ■ | R | E | F | E | R | E | N | C | E |
| P | U | M | A | ■ | E | D | D | I | E | ■ | A | N | E | W |
| E | D | I | T | O | R | I | A | L | ■ | ■ | L | E | S | T |
| R | E | T | I | N | A | ■ | L | E | N | D | ■ | ■ | ■ | ■ |
| ■ | ■ | ■ | N | E | S | S | ■ | T | E | A | ■ | E | R | A |
| T | H | E | ■ | T | E | E | S | ■ | A | R | I | S | E | N |
| R | A | B | B | I | ■ | U | N | D | R | E | S | S | E | D |
| A | L | B | U | M | ■ | S | I | D | E | ■ | E | A | S | Y |
| P | O | S | S | E | ■ | S | P | E | D | ■ | E | Y | E | S |

### ষ্টেট এসিয়ান গেমস ২০২৬:

# চহী ৪৪গী মতুং ইন্দিয়ান ৱুমেন হোক্কি টিমনা চাইনাবু ১–০দা মায়থিবা পীদুনা গোল্ড মেদল লৌখ্রে




ইম্ফাল, ওক্তোবর ০২, (এস এন এস)ঃ

জপান্না য়ূম্বু ওইদুনা পাঙথোক্লিবা ২০শুবা এসিয়ান গেমস ২০২৬ অসিদা ইন্দিয়ান ৱুমেন হোক্কি টিমনা চাইনাবু গোল্ড ১–০দা মায়থিবা পীদুনা গোল্ড মেদল লৌখ্রে।

হৌখিবা চহী ৪৪গী মতুং ইন্দিয়ান ৱুমেন হোক্কি টিমনা চাইনাবু মায়থিবা পীদুনা গোল্ড মেদল লৌখিবা অসিনা ২০২৮তা লোস এঞ্জেলিসনা য়ূম্বু ওইদুনা পাঙথোক্কদৌরিবা ওলেম্পিক গেমসকীদমক ক্কালিফাই ওইখ্রে।

ইন্দিয়াগী অমত্তা ঙায়রবা মায় পাকপগী গোল অদু লালরেমসিয়ামিনা চনখিবনি।

ঙসি শান্নখিবা এসিয়ান ৱুমেন হোক্কিগী ফাইনেল মেটচ অদুগী অহানবা ক্কার্টরদা ইন্দিয়াগী লালরেমসিয়ামিনা গোল চন্দুনা লীদ তৌদুনা শান্নবা হৌখ্রবা মতুং দিফেন্সিভ লাইনদা দিসিপ্লিন লৈনা শান্নদুনা চাইনাগী মায়কৈদগী ইক্কেলাইজিং গোল অমত্তা চলহনবা ঙমদনা লোইশিনখি। চাইনাগী ময়কৈদগী ইন্দিয়ান ৱুমেন হোক্কি টিমগী ফজরবা দিফেন্সিব লাইন নমখায়দুনা ইক্কেলাইজিং গোল চন্নবগীদমক অকনবা মওংদা হোৎনরবসু ইন্দিয়ান ৱুমেন হোক্কি টিমগী শান্নরোইশিংনা দিসিপ্লিন অমগী মখাদা দিফেন্সিব ষ্ট্রেতিজি ঙাক্কা শান্নদুনা চাইনাগী হোৎনজমল পূন্না অরেন্বদা তাহনখি।

ইন্দিয়া অমদি চাইনাগী মরক্তা শান্নখিবা ফাইনেল মেটচ অদুদা ইন্দিয়ানা চাদা ৫২ বোল পায়দুনা শান্নবগা লোয়ননা পুন্না পেনাল্টি কোর্নর ৫ ফংখি। অদুগা চাইনানা বোল পোজিসন চাদা ৪৮ ওইদুনা শুপ্নতগী পেনাল্টি কোর্নর ১ খক্তমক ফংখি।

ফাইনেল মেটচ অদুদা ইন্দিয়া অমদি চাইনাগী ওইনা গ্রীন কার্দ অমমম ফংখি। অদুবু য়েল্লো নৎত্রগা রেদ কার্দ অমত্তা রেফ্রিগী মায়কৈদগী ইন্দিয়া অমদি চাইনাগী শান্নরোইশিংদা বুক তৌখিদে।

জপান্না য়ূম্বু ওইদুনা পাঙথোক্লিবা এসিয়ান গেমসকী ২০শুবা এদিসন অসিদা ইন্দিয়ান ৱুমেন হোক্কি টিমনা চাইনাগী ৱুমেন হোক্কি টিমবু গোল ১–০দা মায়থিবা পীদুনা গোল মেদল ফংখিবা অসিনা ২০২৮তা পাঙথোক্কদৌরিবা লোস এঞ্জেলিস ওলেম্পিক গেমসকী ওইনসু দাইরেক্ট ক্কালিফাই ওইবা ঙমখ্রে।

হৌখিবা চহী ১৯৯৮ অমসুং ২০১৮দা পাঙথোকখিবা এসিয়ান গেমসশিংদা ইন্দিয়ান ৱুমেন হোক্কি টিম অমদি চাইনা ৱুমেন হোক্কি টিমগী মায়কৈদগী ফাইনেল চঙদুনা গোল্ড মেদল লৌনবগীদমক শান্নখ্রে। অদুবু সাউথ কোরিয়া অমদি জপান ৱুমেন হোক্কি টিমগী খূত্তা মায়থিবা নংহৌখিবদগী হায়রিবা এসিয়ান গেমসকী ইদিসনশিং অদুদা ইন্দিয়া অমদি চাইনা ৱুমেন হোক্কি টিম রন্নর্স অপ তাদুনা সিলভর মেদল ফংদুনা লৈহৌখিবনি।

চহী কয়া ইন্দিয়ান ৱুমেন হোক্কি টিমনা গোল্ড মেদল লৌনবা হোৎনদুনা লাকখিবা অদু ঙসি ইরাই নুমিৎতা জপানগী নাগোয়াদা চাইনাগা শান্নখিবা ফাইনেল মেটচ অদুদা চাইনাবু গোল্ড ১–০দা মায়থিবা পীখিবা অদুনা ইন্দিয়াগী গোল্ড মেদলগী মঙলান মঙফাওনখ্রে।

হৌখিবা চহী ১৯৮২দা পাঙথোকখিবা কন্টিনেন্টেল ইভেন্টতা ইন্দিয়ান ৱুমেন হোক্কি টিমনা গোল্ড মেদল লৌখ্রবা মতুং ঙসি ফাওবা গোল্ড মেদল অমত্তা ফংদনা লীশাংশিংনা লাকখিবনি।

ঙসি ইন্দিয়ান ৱুমেন হোক্কি টিমগী কেপ্টেন সালিমা তেতে দিফেন্সিব লাইনদা অদুক্কী মতিক শীংথানিঙাই ওইনা শান্নখি। ঙসি শান্নখিবা মেটচ অদুদা সালিমা তেতেনা ফজরবা পার্ফোমেন্স কয়া পীখিবা অদুনা চাইনানা ইক্কেলাইজিং গোল চনবা ঙমখিদবনি। মেটচ অদুদা সালিমা তেতে অশোক অপন নংখি। অদুবু অশোকপা অদু তুংওইনদুনা মহাক্কা ফজবা পার্ফোমেন্স কয়া পীদুনা ইন্দিয়ান ৱুমেন হোক্কি টিমনা লৈবাক অসিগী পুৱারী অমা মায় পাক্কা শেন্বা ঙমখিবনি।

জপাননা য়ূম্বু ওইদুনা পাঙথোক্লিবা ২০শুবা এসিয়ান গেমস ২০২৬ অসিদা ইন্দিয়ান ৱুমেন হোক্কি টিমনা চাইনাবু মায়থিবা পীদুনা গোল্ড মেদল লৌখিবা অসি ইন্দিয়াগী ওইনা ৬শুবা গোল্ড মেদল অমনি। চাইনানা রন্নর্স অপ তাদুনা সিলভর মেদল ফংখিবগা লোয়ননা জপাননা কোরিয়াবু মায়থিবা পীদুনা ব্রোঞ্জ মেদল লৌখ্রে।

হয়েং ইন্দিয়ান মেন্স হোক্কিম টিমনা মালেসিয়া মেন্স হোক্কি টিমগা গোল্ড মেদলগীদমক ফাইনেল ওইনা লান্বা পানরগনি।

অমরোমদা, ২০২৬ এসিয়ান গেমস অসিদা ইন্দিয়াগী ৱুমেন বোক্সর লভলিনা বোরগোহেননা ৱুমেন ৭৫ কে জি বোক্সিংগী ফাইনেল মেটচতা চাইনাগী বাউ জিয়িবু মায়থিবা পীদুনা গোল্ড মেদল লৌখ্রে।

ইন্দিয়াগী ৱুমেন বোক্সর লভলিনা বোরগোহেননা চাইনাগী বাউ জিয়িবু ফাইনেল মেটচ অদুদা ৫–০দা মায়থিবা পীদুনা গোল্ড মেদল লৌখিবনি।

হৌখিবা চহী ২০১৪দা মণিপুরগী ৱুমেন বোক্সর মেরিকোমনা গোল্ড মেদল লৌখ্রবা মতুং চহী ১২গী মতুংদা লভলিনা বোরগোহেননা গোল্ড মেদল ফংবা ঙমখিবনি।

মশাগী চহী ২৮দা ঙায়রিবী লভলিনা বোরগোহেন হান্ননা ওলেম্পিক্ গেমস, ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন্সিপ, এসিয়ান গেমস, এসিয়ান চেম্পিয়ন্সিপশিংদা মেদল কয়া লৌখ্রে। ঙসি নাগোয়াদা চাইনাগী বোক্সর বাউ জিয়িবু ফাইনেল মেটচতা য়াম্না লাকচনা ৫–০দা মায়থিবা পীদুনা গোল্ড মেদল লৌখিবা অসিনা লভলিনাগী কেরিয়র অমুক্কা হেন্না শীংথানিঙাই ওইনা শেন্বা ঙমখ্রে।

পনবা য়াবদি, ইন্দিয়া মেন্স ক্রিকেট টিম এসিয়ান গেমস ২০২৬ অসিগী গোল্ড মেদলগীদমক লাক্লিবা নোংমাইজিং নুমিত্তা পাকিস্তানগা শান্নরগনি।

আই সি সিগী মায়কৈদগী ও দি আই ৱার্ল্ড কপ ২০২৭গীদমক সেদ্যুল লাউথোখ্রবা মতুং ক্রিকেট রাইভেলরি ইন্দিয়া অমদি পাকিস্তানগী মরক্তা নোংমাইজিং নুমিত্তা শান্নগদৌরিবা ফাইনেল মেটচ অসি য়াম্না ফজবা মেটচ অমা ওইগনি হায়না মালেমগী মীয়াম্না থাজবা থম্লরি।

## থাংমৈবন্দ অমদি ৱাঙ্গোই(য়ুথ) দ্রো চংখ্রে



ইম্ফাল, ওক্টোবর ০১ (এস এন এস)ঃ

য়াইস্কুলদা লৈবা শ্রী শ্রী রামগোপাল দেব মান্দপতা চথরকখিবা লৈমারোল কাং লীগ টুর্নামেন্ট ২০২৬কী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা থাংমৈবন্দ অমদি ৱাঙ্গোই (য়ুথ) ১২–১২দা দ্রো চংখ্রে।

ঙসি শান্নখিবদা মেটচকী অহানবা হাফতা থাংমৈবন্দনা পাঞ্জল ৭ অমসুং ৱাঙ্গোই(য়ুথ)না পাঞ্জল চন্নখি। অহানবা হাফতা থাংমৈবন্দনা পাঞ্জল অমা হেন্দুনা লীদ তৌদুনা শাননখিবা অনীশুবা হাফতা ৱাঙ্গোই য়ুথনা ৬ অমদি থাংমৈবন্দনা পাঞ্জল ৫ চন্দুনা পুন্না পাঞ্জল ১২–১২ চন্নদুনা মেটচ অদু দ্রো তাখিবনি।

লৈমারোল কাং লীগ টুর্নামেন্ট ২০২৬কী হয়েংগী মেটচতা এল এস কে অমদি এস এস য়ু লান্বা পানরগনি।

### Medal Tally
### 20th Asian Games
### Aichi-Nogoya 2026

| Country | G | S | B | Total |
|---|---|---|---|---|
| PR China | 162 | 81 | 73 | 316 |
| Japan | 72 | 83 | 85 | 240 |
| South Korea | 33 | 39 | 62 | 134 |
| Uzbekistan | 20 | 23 | 22 | 65 |
| India | 16 | 25 | 35 | 76 |
| Iran | 15 | 17 | 13 | 45 |
| Thailand | 15 | 11 | 17 | 43 |
| Kazakhstan | 12 | 21 | 44 | 77 |
| Bahrain | 11 | 5 | 6 | 22 |
| Malaysia | 9 | 5 | 16 | 30 |
| Hong Kong | 7 | 17 | 22 | 46 |
| North Korea | 7 | 11 | 9 | 27 |
| UAE | 7 | 4 | 1 | 12 |
| Indonesia | 5 | 8 | 22 | 35 |

# যোগসনা মালেমগী স্পোর্টিং দিসিপ্লিন ওইনা শক খঙলবা য়াবগী ওইথোকপা চাউনা লৈঃ ৱাই খেমচান্দ




ইম্ফাল, ওক্তোবর ০২, (এস এন এস)ঃ

লৈবাক অসিগী এন্সিয়ন্ট ত্রেদিসনেল মশান্না অমা ওইরিবা যোগসনা অসি মালেমগী ওইনা স্পোর্টিং দিসিপ্লিন অমা ওইরকপা য়াবগী ওইথোকপা চাউনা লৈ। মরম অদুনা লৈবাক অসিগী শান্নরোইশিংনা মালেমগী ওইনা পাঙথোকপা চেম্পিয়ন্সিপশিংদা মায় পাকপা ঙম্নবা হৌজিক্তগী হৌনা শেম শাবা মথৌ তারে হায়না চীফ মিনিষ্টর য়ুম্নাম খেমচান্দনা ফোঙদোকখ্রে।

থাইলেন্দদা পাঙথোক্কদৌরিবা ১২শুবা ৱার্ল্ড যোগসনা চেম্পিয়ন্সিপ ২০২৭গীদমক সেলেক্সন ত্রাইয়েল য়াওনা পাঙথোকপা ৩৮শুবা নেসনেল যোগসনা চেম্পিয়ন্সিপ ২০২৬তা অথোইবা মীথুংলেন ওইনা শরুক য়ারদুনা চীফ মিনিষ্টর য়ুম্নাম খেমচান্দনা ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি।

ওল ইন্দিয়া যোগ কলচর ফেদরেসনগা খুৎশম্নদুনা মণিপুর যোগ সোসাইটি ইম্ফালনা খুমন লম্পাক মেন ইন্দোর ষ্টেদিয়মদা পাঙথোকখিবা চেম্পিয়ন্সিপ অদুদা চীফ মিনিষ্টর য়ুম্নাম খেমচান্দনা হায়, ইন্দিয়াগী লৈরিবা এন্সিয়ন্ট ত্রেদিসনশিং অসি থোয়দোক হেন্দোক্না শীংথানিঙাই অমনি। ইন্দিয়াগী ক্লাসিকেল লেংগ্বেজ অমা ওইরিবা সংস্কৃত অসি লৈবাক অসিদা নত্তনা তোঙান তোঙানবা অতোপ্পা লৈবাকশিংগী মীয়াম্না পাম্নবা তপ্না তপ্না হেনগৎলক্লি। অসিদা নত্তনা হৌখিবা চহী ২০১৪দগী হৌদুনা লৈবাক অসিগী লৈঙাক্না যোগবু মালেমদা প্রমোত তৌনবা লেপ্পা লৈতনা হোৎনরকখিবা অসিনা মরম ওইরগা ঙসিদি মালেমগী মীয়াম্না যোগবু পাম্নবা অদুক্কী মতিক নেহগৎলক্লে। মতম খরগী মনুংদা লৈবাক অসিগী যোগসনা অসিবু মালেমগী মীয়াম্না পাম্নবা হেনগৎলক্নুনা তোঙান তোঙানবা মালেমগী ওইবা চেম্পিয়ন্সিপ কয়া পাঙথোরকপা য়াবগী ওইথোকপা চাউনা লৈ। মরম অদুনা লৈবাক অসিগী শান্নরোইশিংনা মশান্না অসিদা নীংথিনা শেম শাদুনা মালেমগী ওইনা পাঙথোকপা চেম্পিয়নশিংদা অথোয়বা মনা ফংনবা হোৎনবগী তঙাইফদবা কয়া লৈরে হায়খি।

# ১১৩ সি আর পি এফ বট্টালিয়ন সাইকুলনা শীন্দুননা কিলোমিটর ১০গী লমশাং লমজেল পাঙথোকখ্রে




ইম্ফাল, ওক্তোবর ০২, (এস এন এস)ঃ

সি আর পি এফকী মণিপুর নাগালেন্দ সেক্টরগী মখাদা স্পান্দন –স্পোর্টস ফোর পিছ এন্দ দিভলপমেন্ট এক্রোচ নেসনগী শরুক অমা ওইনা সাইকুলদা লৈবা সি আর পি এফকী ১১৩ বট্টালিয়ননা শীন্দুনা লমশাং লমজেল মরাথন পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা কুকি ইনপি সাইকুলগী হান্নগী এম দি সি থাংখম লুফেং অমদি অতৈ মীওইশিংনা শরুক য়াখি।

মরাথোন অদু সি আর পি এফকী ১৩৩শুবা বট্টালিয়নগী কম্মান্দর দিপল কুমার সিংহনা লুচিংদুনা বট্টালিয়ন অসিগী ওফিসরশিংনা শরুক য়াদুনা পাঙথোকখিবনি।

লমশাং লমজেল অদুদা এস লালমিনলেন ৱাইফৈনা পুন্না মিনিট ৩৫.০৬তা লমথুংফমদা থুংদুনা অহানবা মনা লুপা লীশিং ১০গী কেস এৱার্ড লৌখি। কারন অকারিয়া অমদি রোসন অধিকারিনা ২শুবা অমদি ৩শুবা তাদুনা লুপা লীশিং ৬ অমদি লুপা লীশিং ৪গী কেস এৱার্দশিং লৌখি।

লোয়ননা লমজেল অদুদা য়াওখিবা মীওই ১০দা পূক্নিং থৌগৎপা ওইনা কন্সোলেসন প্রাইজ ওইনা লুপা লীশিং অমমম কেস এৱার্ড ওইনা পীদুনা পূক্নিং থৌগৎখি।

# এ এম বি এনা শীন্দুনা ৬৪শুবা মিষ্টর মণিপুর ২০২৬ পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, ওক্তোবর ০২, (এস এন এস)ঃ

ওল মণিপুর বোদি বিল্ডর এসোসিয়েসন (এ এম বি বি এ) গী মায়কৈদগী লাক্লিবা দিসেম্বর ১২ অমদি ১৩দা নুমিৎ নীনি চূপ্পা লম্ফেলপাৎকী রিমস জুবিলি হোলদা 'হেল্দি লাইফ' হায়না মিংথোনবা থিমগী মখাদা ৬৪শুবা মিষ্টর মণিপুর ২০২৬ পাঙথোক্লগনি হায়রি।

ওল মণিপুর বোদি বিল্ডর এসোসিয়েসনগী জেনরেল সেক্রেটরী য়ুম্লেম্বম সুনন্তনা খূৎয়েক পীদুনা থাদোরকপা চেরোল অমদা হেল্দি লাইফ হায়না মিংথোনবা থিমগী মখাদা পাঙথোক্কদৌরিবা ৬৪শুবা মিষ্টর মণিপুর ২০২৬ অসিদা সেনিয়র কেটাগোরিদা কে জি ৫৫, কে জি ৬০, কে জি ৬৫, কে জি ৭০, কে জি ৭৫, কে জি ৮০, কে জি ৮৫, কে জি ৯০, কে জি ৯০ হেনবগী মথক, জুনিয়র কেটাগোরিদা কে জি ৫৫, কে জি ৬০, কে জি ৬৫, কে জি ৭০, কে জি ৭৫, কে জি ৭৫গী মথক, মাষ্টর কেটাগোরিদা চহী ৪০দগী ৪৫, চহী ৫০দগী ৬০ ফাওবা অমসুং চহী ৬০ হেল্লবশিংগী, ফেজিকেল্লি চেলেঞ্জ, ৱুমেন বোদি বিল্ডর, মেন্স স্পোর্টস ফিজিক অমদি ৱুমেন মোদেল ফিজিক কেটাগোরিগী ওইনা ওপন ওইনা পুন্না কেটাগোরি ৭তা গ্রুপ ২২ থোক্লা অথোয় অহেন তান্নগনি হায়না ফোঙদোরক্লি।

অসিদা নত্তনা ৬৪শুবা মিষ্টর মণিপুর ২০২৬ অসিদা টিম চেম্পিয়ন, টিম চেম্পিয়ন রন্নস অপ, মেক্সিমম প্লেয়র পার্টিসিপেট অমসুং বেষ্ট কোচকী মনাসু থমগনি হায়রি।

বোদি বিল্ডিং চেম্পিয়ন্সিপ অসিদা জুনিয়র অমদি মাষ্টর কেটাগোরিদা শরুক য়ানিংবা শান্নরোইশিংনা মাগী মাগী অধার কার্দশিংগা লোয়ননা অচংবা ফিগা কোন্ননা লাক্লিবা দিসেম্বর ৫ ফাওবগী মনুংদা এ এম বি বি এগী ওফিসতা পীশিল্লক্নবসু চেরোল অদুনা খঙহল্লক্লি।

# ওক্তোবর ১০দগী হৌদুনা পাঙথোক্কদৌরিবা ইন্দিয়ান সুপর লীগ সোনি স্পোর্টসকী খূত্থাংদা মীয়াম্না য়েংবা ফঙলগনি




চেন্নাই, ওক্তোবর ০২, (এস এন এস)ঃ

সোনি পিকচর নেটৱার্ক ইন্দিয়া (এস পি এন আই)গী মখাদা লৈরিবা সোনি স্পোর্টস নেটৱার্ককী খূত্থাংদা থা অসিগী ১০দগী হৌদুনা পাঙথোক্কদৌরিবা ইন্দিয়ান সুপর লীগকী মেটচশিং মীয়াম্না উবা ফংলগনি।

লৈবাক অসিগী মমিং লৈরবা ন্যুজ এজেন্সি অমগী রিপোর্টকী মতুং ইন্না সোনি স্পোর্টস নেটৱার্কনা ফুটবোল মশান্নদা লৈবাক অসিগী মীয়াম্না খ্বায়দগী পাম্না য়েংনরিবা ইন্দিয়ান সুপর লীগকী লাইনর ব্রোদকাষ্টিং অমদি ওভর দ টোক (ও টি টি)গী খূত্থাংদা শন্দোকপা য়াবগী ব্রোদকাষ্টিং রাইট সোনি স্পোর্টস নেটৱার্কনা ফংখ্রে।

তোঙান তোঙানবা লৈবাক অসিগী মমিং লৈরবা ক্লবশিংগী শান্নরোইশিংনা শরুক য়াদুনা ওক্তোবর ১০দা বেঙ্গলুরুদা লৈবা শ্রী কান্তিরাভা ষ্টেদিয়মদা ইদিসন অসিগী অহানবা মেটচ ওইনা বেঙ্গলুরু এফ সি অমদি স্পোর্টিং ক্লব দিল্লিগী মরক্তা শান্নরগনি।

মতম কয়াগী মমাঙদগী ওক্তোবর ১০দগী হৌদুনা লৈবাক অসিগী ফুটবোল মশান্নদা মমিং লৈরবা শান্নরোই কয়ানা তোঙান তোঙানবা ক্লব কয়াবু রিপ্রজেন্ট তৌদুনা শান্নগদৌরিবা ইন্দিয়ান সুপর লীগকী মেটচ অসি করম্না চেনেলগী খূত্থাংদা মীয়াম্না য়েংবা ফংগনি হায়না হংনদুনা লাকখিবনি।

ইন্দিয়ান সুপর লীগকী ব্রোদকাষ্টিং রাইট ফেনকোদ অমসুং জি ইন্টরটেনমেন্ট য়ুনাইট ৮ স্পোর্টসনা মাঙজিল থাদুনা ফংনবা হোৎনদুনা লাকখিবা অদুগী ওন্ন–তৈনবদা সোনি স্পোর্টস নেটৱার্কনা সিজন অসিগী ওইনা ইন্দিয়ন সুপর লীগকী ব্রোদকাষ্টিংগী রাইট অসি ফংখিবনি। ইন্দিয়ান সুপর লীগকী ব্রোদকাষ্টিং রাইটকী মতাংদা মথৌ তাবা ফোর্মেলিটি অমদি পেপরৱার্ককশিং পূন্বা লোয়রে। লাক্লিবা মথং চয়োলগী অঙনবা শরুক্তা সোনি স্পোর্টস নেটৱার্কনা ইন্দিয়ান সুপর লীগকী ব্রোদকাষ্টিং রাইট ফংবগী মতাংদা ওফিসিয়েল ওইনা লৈবাক মীয়ামদা লাউথোক্লবা য়াই হায়নসু সোনি স্পোর্টস নেটৱার্ককী মকোক থোংবা ওফিসিয়েলশিংনা খঙহল্লক্লি।

ওফিসিয়েল অসিনা মখা তারদুনা হায়, ইন্দিয়ান সুপর লীগকী মেটচশিং সোনিগী ও টি টি প্লেটফোর্ম (সোনি লাইভ)তা মীয়াম্না য়েংবা ফংলগনি। অদুগা ইন্দিয়ান সুপর লীগ অসিগী মেটচ অয়াম্বা সোনি স্পোর্টস নেটৱার্ককী লৈরিবা তোঙান তোঙানবা চেনেলশিংদা মপুং ওইনা ব্রোদকাষ্ট তৌগনি হায়না ফোঙদোরক্লি।

পনবা য়াবদি ইন্দিয়ান সুপর লীগকী ২০২৫–২৬কী সিজনদা দ্রিম স্পোর্টস দিজিটেল প্লেটফোর্ম ফেনকোদনা ওনলাইনগী খূত্থাংদা ষ্ট্রিম তৌদুনা মীয়ামদা মীৎয়েং তাবা ফংহনখিবনি। অদুগা সোনি স্পোর্টসনা তুংদা হায়রিবা ইদিসন অদুগী মখা তাবা মেটচশিং মখোয়গী ওইবা লাইনর চেনেলশিংদা ব্রোদকাষ্ট তৌদুনা মীয়ামদা য়েংবা ফংহনখিবনি।

অমরোমদা, চহী ৩গী মতুং ওটোমোবাইল কম্পনি মোরিস গেরেজ (এম জি) সিজন অসিগী ওইনা ইন্দিয়ান সুপর লীগকী টাইটল স্পোন্সর ওইরগনি।

সিজন অসিগী ওইনা ইন্দিয়ান সুপর লীগপু এম জি ইন্দিয়ন সুপর লীগ হায়না খঙনরগনি। চহী অহুমগী মতুং ইন্দিয়ান সুপর লীগকী টাইটল স্পোন্সর ফংখিবা অসিনা তাকপদি ইন্দিয়াদা ফুটবোল মশান্নগী ওইনা থোয়দোক হেন্দোক্না তুংগী অশা কয়া লৈ হায়না তাকপ নিহায়নসু রিপোর্ট অসিনা মখ তারি।

### ফুটবোল য়ৈথোক্লে

ইম্ফাল, ওক্তোবর ০২, (এস এন এস)ঃ

দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিয়েসন ককচিংনা শীনবা ২৩শুবা কেএসঐচ লৈহাও দেবী মেমোরিয়েল সুপর দিভিজন এন্দ ২২শুবা কে কে মেমোরিয়েল ফার্ষ্ট দিভিজন ফুটবোল লীগ ২০২৬ য়ৈথোক্লে হায়না দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিয়েসন, ককচিংগী জেনরেল সেক্রেটরীন থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

টুর্নামেন্ট অনী অসি অকনবা নোং চুরকপনা মরম ওইরগা গ্রাউন্দ অসি শান্নবা য়ারোইদবনা মখা তাবা নোটিশ অমা থোক্ত্রিবা ফাওবা য়ৈথোকপনি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারক্লি।

### পোলো টুর্নামেন্ট য়ৈথোক্লে

ইম্ফাল, ওক্তোবর ০২, (এস এন এস)ঃ

লাক্লিবা ওক্তোবর ৫দগী হৌগনি হায়না তৌরম্না ৩৮শুবা এন হজারি এন্দ ডা. এন তোম্বী ষ্টেট পোলো টুর্নামেন্ট অদু মখা তাবা নোটিশ থোক্ত্রিবা ফাওবা য়ৈথোক্লে হায়রি। হৌজিক ওইরিবা নোং–চীংগী ফিভম অসিনা টুর্নামেন্ট অসি য়ৈথোকপনি হায়না মণিপুর হোর্স রাইদিং এন্দ পোলো এসোসিয়েসনগী টুর্নামেন্ট কম্মিটিগী ওর্গনাইজিং সেক্রেটরী ডা. টিঐচ চা মঙ্গিলালনা থাদোরকপা খূৎয়েক পীদুনা চেরোল অমনা হায়রি।

# এম য়ুগী নুপা অমসুং নুপীগী হোক্কী টিম শেমখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ০২ (এস এন এস)ঃ

থা অসিগী ২৭তগী ৩১ ফাওবা উত্তর প্রদেশতগী বনারসিদা লৈবা বনারস হিন্দু য়ুনিভর্সিটিতা পাঙথোক্কদবা ইষ্ট জোন ইন্টর য়ুনিভর্সিটি মেন হোক্কী টুর্নামেন্ট ২০২৬–২৭ অমদি চহী অসিগী নবেম্বর ৩দগী ৭ ফাওবা ওড়িষানা য়ূম্বু ওইদুনা সামবালপুর য়ুনিভর্সিটিদা পাঙথোক্কদবা ইষ্ট জোন ইন্টর য়ুনিভর্সিটি ৱুমেন হোক্কী টুর্নামেন্ট ২০২৬–২৭তা শরুক য়াগদবা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী নুপা অমসুং নুপীগী হোক্কী টিম শেমখ্রে।

এম য়ু নুপাগী হোক্কী টিমদা য়াওরিবশিং অদুদি গোলকিপরদা থৌবাল কোলেজগী অচৌবা সোরোখাইবম অমসুং ষ্টেন্দর্দ কোলেজগী এসঐচ ভাসু, দিফেন্দরদা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী মোরিশ মোইরাংথেম, এন বি কোলেজতগী জাবসন নাওরেম, য়ুনাক্কো কোলেজদগী সিঐচ জোন্সন, হাল্ফতা বি এম কোলেজতগী টিঐচ ইঙালেম্বা, এম য়ুগী টিঐচ ৱাংলেন অমসুং এ অভিনাস, থৌবাল কোলেজতগী এ অনিশ শর্মা অমদি ৱাই কে কোলেজতগী কেঐচ সোমিকান্তনি।

ফোরৱার্দতা ককচিং খুনৌ কোলেজতগী কেঐচ নিরমল, য়ুনাক্কো কোলেজতগী লাইশ্রম মাইকেল, এন বি কোলেজতগী আরকে ধনেন্দ্রজিৎ, মণিপুর য়ুনিভর্সিটিদগী রিশিদয়াল মাইবম, কে পি কোলেজতগী দোন ঙাশেপমনি।

রিজাভ প্লেয়র ওইনা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী কে জেন্সন সিংহনি।

নুপী হোক্কী টিমদা য়াওরিবশিং অদুনা গোলকিপরদা বি এম কোলেজগী তাখেল্লম্বম অয়িংবি অমসুং থৌবাল কোলেজগী ৱাইখোম ময়ারানিনি। দিফেন্দরদা এস এস জি জি কোলেজকী লাইশ্রম করুনা অমসুং শোরেনশাংবম তনু, টি এস পাউল মণিপুর ৱুমেন কোলেজগী কৈশাম এলেনানি। হাল্ফতা এস এস জি জি কোলেজগী নাওরেম দীনা অমসুং মুতুম প্রিয়া, এন বি কোলেজগী লৈশাংথেম নলালি, টিএস পাউল মণিপুর ৱুমেন কোলেজগী দিভিয়া ওক্রমনি।

ফোরৱার্দতা এন বি কোলেজগী থোকচোম তানিয়া, সি আই কোলেজগী হাওবিজম সিল্কি অমসুং থোকচোম দাইনালি, এন বি কোলেজগী তাখেল্লম্বম সোনিকা, বি এম কোলেজগী ক্ষেত্রিময়ুম সোফিয়ানি।

রিজার্ব প্লেয়র ওইনা এস এস জি জি কোলেজগী নিঙোম্বম প্রিয়ানি।

খল্লবা শান্নরোইশিং অসি থা অসিগী ৫গী অয়ুক পুং ১০ তাবা মতমদা এম য়ুদা লৈবা ডা. কমল ইন্দোর হোলদা কোচিংগীদমক ফুল কিটসকা লোয়ননা রিপোর্ট তৌরনবা এসিষ্টেন্ট ডাইরেক্ট ওফ স্পোর্টস এম য়ুগী ডা. সিঐচ প্রদিপনা থাদোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।



SL/B(KK)/31 (one month)

Owned and Published by Waikhom Meghachandra Singh on behalf of Nongpok Publishers Pvt. Ltd. from Khwai Brahmapur, Nagamapal, Imphal West, Imphal-795001, Manipur and Printed at Advance Printers, Kongpal Kongkham Leikai, Imphal East, Imphal-795005, Manipur
Editor: Dr. Khaidem Athouba, RNI Registration No. 31350/ 77; e-mail sanaleibak.ads@gmail.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com